ꯈꯜꯂꯣꯢ ꯅꯪꯒꯤ ꯔꯥꯈꯜ

খল্লরোই নঙগী রাখল



ঙেম্বম ইবেতোন দেবী

ꯈꯝꯕꯣꯏ ꯅꯪꯒꯤ ꯋꯥꯈꯜ

খম্বোই নঙগী ৱাখল

ꯈꯜꯂꯣꯢ ꯅꯉꯒꯤ ꯔꯥꯈꯜ

খল্লরোই নঙগী রাখল

খাঙেম্বম ইবেতোন দেবী



মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, বিষ্ণুপুর মশা

Khallaroi Nang-gee Wakhal a collection of one hundred sixtyfive lyrical poems by Khangembam Ibeton Devi published by Haomom Kabichandra on behalf of Manipuri Sahitya Parishad, Bishnupur District Branch Bishnupur-795 126, Manipur 2014

© অইবী

অফোংবা : হাওমোম কবিচন্দ্রনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, বিষ্ণুপুর মশা, বিষ্ণুপুর-৭৯৫ ১২৬, মণিপুরগীদমক ফোংবা।

অহানবা ফোংবা : জুন ২০১৪
মখুম দিজাইন : রনধীর কুমার য়েন্দ্রেম্বম
মমল : লুপা ১৭০

লাইরিক ফংফম :

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, পাউনা বাজার, ইম্ফাল
অইবীগী য়ুম
লাইরিক য়োনবা দুকানশিং

য়াইবিরেন কম্যুনিকেশন্স (প্রিন্টিং দিভিজন), উরিপোক য়াই ব্রহ্মপুর, বীর তিকেন্দ্রজিৎ ফ্লাইওভর মনাক, ইম্ফাল-৭৯৫ ০০১, মণিপুরদা টাইপসেট তৌদুনা নম্বা।

মতমগী ঈশৈগী অতিযাদা

ঙানখিবা থৱানশিংগী

মফমদা থম্মোযশেংনা

প্রসিদেন্টকী ৱারোল

শ্রীমতী খাঙেম্বম ইবেতোন দেবীগী ঈশৈ মযেক্কী লাইবিক *খল্লবোই নঙগী ৱাখল* ফোঙলগনি খল্লুবদা হাযফম খঙদা নুংঙাইজে। মমাঙদা মসিগা মান্নবা লাইবিক *মালঙদা তাউবিবা ৱাখল* সু ফোংঙখ্রে। ইবেতোন দেবী অহানবদদি শৈবেংগী লাইবিক্তা খৃৎ থাবকপীনি। মথংদা উপন্যাস অহুম ফোঙদুনা হেন্না যাঙনা চঙশিল্লক্লিবী অইবীনি। ৱাবীমচাগী লাইবিক অনীসু ফোঙখ্রে। ঙসি ফোঙলিবা *খল্লবোই নঙগী ৱাখল* সুব যাওনা শকপা যাববা ঈশৈগী লাইবিকনি।

মসিদা তাঙ্কক মঙা থোক্লা খাযদোক্তুনা অইবীনা শৈথাবি। অহানবদাঃ অৱাই অখুম (Duet Song)। নুপা নুপী অনী শকমিন্নবা ফজ ফজববা ঈশৈশিং যাওই। পনবা যাই "নোংইনগী থম্মোযবু থাজনা উবিদে/থাজগী মৈচাক্তি নোংইন্না খঙবিব্রা/হাযজবা ঙমজদে অচুম্বা ৱাহম্বোক/থম্মোযনা থম্মোযগী মৈচাক খঙবিদ্রবদা।"

অহীংগী ফজবা শৈথাবদা মবীক চূম্মী, থাবলগী মঙালদা নুজাগী অহীংগী থাজগী মঙালনা যৈবদা, মুববা শন্নাংনা নুজাগী তঙ্খায খুমজিন মাযথোঙ উবদা যেংবগী পেনবা নাইদবদা, থাজ মহাক ফাওবা ইকাযদুনা লৈচিলগী মকুমদা লোৎখিবা। ঙম্মী হাযবা নুপাগী মপোক ওইদুনসু নুপী ওইবীশিংবু অৱাংবা থাক্তা ইকাই খুম্নবা উৎপা, ঈশৈ কযা যাওবি।

অনীশুবাঃ মতমগী ঈশৈ (মোদর্ন সোং), মসিদসু মতমসিগী কল্লবা শাফূনা, লৈখা তাবক্লবা নুংশিববু থাযনা ইপা-ইপুশিংগী হাক্তুক্তা নুপী ওইবীশিংবু নুপা ওইবশিংনা, নুপা ওইবশিংবু নুপী ওইবীশিংনা কন্নবা

হোৎনবি। অইবীনা কাযনববদা থম্মোয পেন্না চৈবি "ককশাবী তোর্ব্বান" হাযনা। খাযবিবমদ্রবা তোর্ব্বান মহাক্না ওইবমগনি শোযদনা পম্লুং। অমসু পনবা যাই, ইঙাগী অতিযাদা পাইবিবা লৈচিলদা নীংবা কাযহৌববা মহাক্না পাউজেল্লি, "পুবিখো ঐগী ইপাউসে, মীৎল্ পিবাংগা লোযননা, যাম্না যাঙনা পাইখিদুনা, তাকবো লৈকোন্দুগী শুমাঙ্দা, অখাক অবাওগা লোযননা, নীংঙাইদা তূন্নিবা মহাক্কী।"

অশুমশুবাঃ শৈথাবোল (সেদ_সোং)দা পুন্সিবু অমুক পোকপা, অমুক শিবা, অমুক নোকপা অমুক কপ্পা, অহীং-নুংথিল অনীগা পাংথক ওইনা অইবীনা শৈথাই। ৱাদনা নুংঙাইবা যাদবা, অৱাবা-নুংঙাইবা অনীবু মকা লাম্ন া ফোঙযদ্রবা, নুংঙাই মউ লিংদবা,অৱাবা মপান থাদবা পূম্নমক ঈশ্বৰ মাগী শোযফদ্রবা চৎনবোলনি হাযনা শৈথাবি।

মবিশুবাঃ লাইশোন ঈশৈ (দিভোসনেল সোং)দা মীতৈগী লৈবিবা লাইবেম্বা লাইবেম্বী, গৌড ধম্মগী ঈশ্বৰগী মতিক মগুণ কযা শৈথাবা ঈশৈশিং যাওবি। " ফজবী লক্রে ফজবী, অক অপান পাম্লোইবী, শক্তি কোঙ্গাইনা লৈতেংলিবী ইমা। থৌদু নূঙ্গাই থক্তা ফমদোংবী।" অদুগা, " কোক্তা চুবা, চেপ্লপ থোনবা, খূৎতা চক্র বাঁশি পাযবা, থৈবোংগী শক্তমদা লৈবম্বা মশক্রি, খুকমজৈ ইবুংঙো থৌজাল হৈবা।" অৱাবা তাবক্লবদা ঈশ্বৰদা কনবিনবা চঙজবা, মীওইপোক্কী চৎনবোল কাউফদে মপু মাবু, শেম্বিবনি মহাক্না স্বর্গ, পাতাল পূম্নমক।

মঙাশুবাঃ লৈবাক নীংবা ঈশৈ(পেট্রিওটিক সোং)দা অইবীগী খূৎইসিদা পোক্লফম লমদমবু মচেৎ অমা কাযহন্নীংদবদা অসুম্না শৈথাবি, "ঐসু লাউবমগে পেন্না/ঙমখৈ কাযবা যাবোই/মোবে শম্বল খাবা থিংউ/চীং-তম কাযবা য়াবোই/খায়দোকপদু কৌবা নক্তে, মণিপুৰ।"
চীংমী তম্মী অনীগী মবক্তা খাইবুং খাইবুং তাবক্লিবা মতমসিদা অইবীনা অমুকসু

শৈথাবি "চীং-তম অনীগী ইমানি/কংলৈবাক হাযবী ইমাসে/চীংমীনা মযাম্বনি/তম্মীনা মনাওনিপানে।"

মসিদা নত্তে, মহৌশাদগী ফংলক্লবা, ঙসিগী নহাবোলশিংনা ব্রাহং ওইনা লাক্লবা, কোমপ্রেক, যাইপল, হৈকক-যেল্লি, থবো-থবিকথা, লোক্তাক ইমাগী মশাইকোলদগী তপ্পা তপ্পা মাঙশিল্লকপদা অইবীনা পাউখুম ওইনা শৈথ্যাবি। ইবমদম পোক্লফম মণিপুববু শৈথাবদা অনৌবা ব্রাহৈনা শৈথানবা কন্না হোৎনবগী মমি তাই।

লাইবিক অসিবু পাবিবিবা খ্বাই পূম্নমক্না লোনযান যাওবা যাদবগী অকনবা পাউতাক লৈদুনসু চমন্নববা ঙসিগী সমাজদা অচুম্বা মাইকৈদা পুবক্লবা হোৎনবদা চাউনা দাযিত্ব লৌবিবী অইবীগী খনবিবগা, ঐহাক ইশামকসু যাওনা পবিষদ অসিগী মহুৎ শিন্না অবান অহুই ঙাকপিনবা নোল্লুক্না নীংশিংজবি।

খাঙেম্বম ইবেতোন দেবী মশামক ব্রাঞ্চ পবিষদ অসিগী এদভাইজব ওইবীবিবীনি। সাহিত্যবু হিংহনবদা অচঙবা মেম্ববনি। মহাকপু মতম শাংনা ঈশ্ববনা থৌজানবিদুনা অইবী অমা ওইনা লৈহনবিবা ওইসনু হাযনা থৌনিজবি, লোযননা থব্রায যাওবা সাহিত্যবু নুংশি মীৎযেং যেংবিবিবা/যেংবিবিবী খুদিংমক্কী মফমদা *খল্লবোই নঙগী ব্রাখল* শিন্নজবি।

তাং ২৩।৩।২০১৪ ইং
ইম্ফাল

হুইবেম সনায়াইমা
প্রসিডেন্ট, মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ
বিষ্ণুপুব ডিস্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ, বিষ্ণুপুব, মণিপুব

সেক্রেটরীকী ৱাৱোল

সাহিত্যগী পান্দমদি অচুম্বা অফবা ফজবা হাযবিবা তাঙলবা গুণ অহুম অসিবু কলমগা মরুপ ওইমিন্নবগা থম্মোযগী মপাউ কযা ৱাখলগী ঈচেল কযা মীপূম খূদিংমক্কী থম্মোযদা যৌহন্নবা হোৎনবিবা থোইদোক্লা মণিপুরী সাহিত্যবু চাওখৎলবা অতৈ লমগী সাহিত্যগী থাক যৌবা ঙম্নবা লেপ্লা নৈতনা চঙশিল্লিবা অইবা/অইবী অদুবু অশেংবা সাহিত্য কর্ম্মীনি হাযনা লৌগনি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ, বিষ্ণুপুর ইং ১৯৯৪গী ফেব্রুৱারীগী তাং ১৩দা ইবা পামজবা নহা-অহলশিং পূনশিল্লগা শেমগৎখিবা সাহিত্যগী সংস্থান অমনি। চহী ২০ শুরক্লবা সংস্থান অসিনা তোঙান তোঙানবা মখলগী লাইরিক ৩৯ ফোঙদুনা মণিপুরী লোল অমদি সাহিত্য চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং যাদুনা লাকচরি। হন্দক্কী খাঙেম্বম ইবেতোন দেবীগী ঈশৈ লাইরিক *খল্লবোই নঙগী ৱাখল* মিংথোনবা অসি থাবগা নিফু ফোঙবা ঙমজবে।

সংস্থান অসিনা চহী খূদিংগী লেপ্লা নৈতনা সাহিত্যগী মনা, সনাগী মেদল অমদি জিলাগী থাক্তা পূং ঈশৈগী মনাশিং পীজরি। লাইরিক ফোঙবা, লাইরিক নৈনবা, কবি সম্মেলন, সেমিনর, সিম্পোজিযম অমসুং চহীগী চেফোঙ ফোঙবনা মকওইবা থৌরম ওইনা পাঙথোক্কনা লাক্লি। সংস্থান অসিবু নুংশিরিবদগী অইবা/অইবী কযানা ব্রাঞ্চ অসিগী মখাদা লাইরিক কযা লেপ্তুনা ফোঙনবক্লি। যাম্না নুংঙাইজবিবদি শরুাইববী অইবী খাঙেম্বম ইবেতোন দেবীনা ইবা ঈশৈ মযেক্কী লাইরিক *খল্লবোই নঙগী ৱাখল* কৌবা অমা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, ব্রাঞ্চকী মিংদা ফোঙবিবকপা অসিনি। লাইরিক অসিদা

যাওবিবা অৱাই-অখুমগী ঈশৈশিং, মতমগী ঈশৈশিং, শৈথাবোল অমসুং লাইশোন ঈশৈশিং অসিনচিংবনি।

চহীগী মতম ৱাযশিল্লক্লবী, ইবগী থৌনাদি হন্দ্রিবী মতম চূপ্পদা থম্মোয ইনৌতা নৌবিবী শ্রীমতী খাঙেম্বম ইবেতোন দেবী সাহিত্যগী মউ লিংলিবী কবিশিংগী মবক্তা শীংথানবদা মহাক্কী মমিং যাওববী অইবী অমনি। মহাক্কী মতম ঈশৈশিংগী মযেক্তা অসুম্না থেংনজৈ "কুচু মুবা খোইমুগী লীচৎনি/কুচুদা মুদে থম্মোযসু যাওনা মুবনি/পূকচেল খঙদ্রিঙৈ থম্মোয পীকৱা/ইবালদুগী দন্দি ওই মৈচাক খঙহৌবে।" (লা ২)

মতম অসিগা যেংনকুববদি অইবী অসিনা কুচু মুবা খোইমু হাযনা পল্লিবসি পূকচেল ফৎত্রবা হিংচা যাইতম্বা, মিনুংশি খঙদ্রবা ধর্ম্মবু শীংনবা মীওইশিং অদুনি হাযনীংই। মকুপনি চান্নবনি থম্মোয তিংথোক্লুবে, মমৈদা মকুপ অমবু মক্ক ফংনা মাঙহনবা ঙন্নিবা কুচু মুবতা নত্তে, থম্মোযসু যাওনা মুবিবা মীশক অদুবু অইবীনা শীংনবগা লোযননা ফোঙদোক্লি।

অদুগা অমুক্কসু অইবী অসিনা হাযবি "মতমগী যাওনদা তোংদুনা, নঙনা/ৱাহল্লে ঐবু ঙমখৈ লৈতনা/লৈখা তাহনবীবে নুপীগী ইজ্জৎ/লৈজনীংদবে হিংজববোইযে/অনৌবা যুগসিদা নুপী ওইবী ঐদি।" (লা ১০) মসিমক হৌজিক হৌজিকমক ফোঙ ফোঙ শানা উনববা ঙাক্তনি। নুপা ওক্তবশিংনা নুপীগী ইজ্জৎ তেমশিংনবি। মালেমগী লৈমাযথক অসিদা লৈখা তানা মাঙহনবিবতা নত্তনা পুন্সি পিখম্নহনবিবি। অসিগুম্বা নুপীবু ওৎপা-নৈবা কযা অসি উকুবগা অইবী অসিনা মতমগী অওনবা মবক্তা হিংদুনা লৈনীংদে হাযনা ফোঙদোক্লি।

অবোযবদা অইবী অসিনা অমুকসু অসুম্না ফোঙদোক্লি : "ৱাবৌবসু হৈজদে ঐদি/শেম্বিবা মঙোম্দসু ৱাবৌজবোই/মসিমক তাইবঙনি খল্লগে/নুংঙাইনা হিংলি উৎলম্নগেনে।" অইবী অসিনা অবোযবদা পূম্নমক অসি

অবেম্বনি, চুমথোকপগী পাঙ্গল লৈজদে। থম্মোয লাইমন ওইনবনি। নুংঙাইনা হিংলি হাযনা উৎলম্লগে হাযবকই। মসি অৱাংবা থাক্কী আদর্শনি হাযনীংই।

শ্রীমতী খাঙেম্বম ইবেতোন দেবী মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, বিষ্ণুপুব দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ অসিগী পেট্রোন মেম্বব অমা ওইবতা নত্তনা এগজিক্যুটিব মেম্ববগী এদভাইজব অমসু ওইবি। মহাক্কী ঈশৈ লাইবিক মযেক কযা ফোঙদুনা মীযামদা খূদোল তম্বিখ্রে। মহাক মণিপুবগী সাহিত্যগী সংস্থান কয়াদা যাওদুনা মণিপুবী লোল অমদি সাহিত্য চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিবী অইবী অমনি।

সাহিত্যগী মচাক্লা পীক থল্লবা ওজা অসি বিষ্ণুপুব হাযব সেকেণ্ডবি স্কুলগী লেকচবব ওইনা থবক্তগী পোথাখ্রবা মতুংদগী সাহিত্যগী ঈহৌ শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা হৌজিক ফাওবা মণিপুবী লোলবু অতৈ লোলশিংগী চাওখৎপগী থাক যৌনবা হোৎনবি। মহাক্কী হন্দক্কী ঈশৈ লাইবিক মযেক *থল্লবোই নঙগী ৱাখল* ফিদম্লফম ওইবা লাইবিক কযা, পুথোকপা ঙম্লবা ঈশ্ববগী মফমদা থৌনিজবি। মঙ্গল আর্শিবাদ পীজবি।

লমাবম তোমচা সিংহ

সেক্রেটবি, মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ

বিষ্ণুপুব দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ, বিষ্ণুপুব

অইবগী ৱাবোল

থৱাযনা তাজবা, পামজবা হাযবসিসু কল্লবা মযাই অমনি। অঙাং ওইরিবৈঙেদগী ঈশৈদা পূক্লিং লূপচবকখি অদুবু পুন্সি খূৎহিংসিনা মদোমদা তন্না অমদি মাযকৈদুদা পূক্লিং থিংজিল্লুবগী তাঞ্জা ফংজখিদে। অদু ওইদুনসু পামজবা মবম্না ঙংবা অমদি ইতোমতা লৈবা মতমদা পি তাবমখৈ শকচখিবা কযা যাওখি। মবম অদুনা ঐহাক্না সোনেটকী বাইমদা লাইরিক *লৈবোল শাৎলে, লাংবন তর্পন* অমদি *পোলোইদুগী ৱাংমদা* মিংথোনবা শৈবেংগী লাইরিক অহুম ফোঙদোকখবে, মথংদা ঈশৈ শৈবেং ১৬১ যাওবা *নোংদোল খেৎনা পাইরিবা লৈচিল* মিংথোনবা ঈশৈ শৈবেংগী লাইরিক ফোঙখ্রে, সীৱেব্সকী বেনব মখাদা সেপ্টেম্বব ১০, ২০১০ দা।

মথংদা ঈশৈ শৈবেং ১৬৫ যাওবা *মালঙদা তাউরিবা ৱাখল* মিংথোনবা লাইরিক অমা মণিপুবী সাহিত্য পবিষদকী বেন্নব মখাদা দিসেম্বব ৩০, ২১০২ দা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক অমুক শৈবেং ১৬২ যাওবা *খল্লবোই নঙগী ৱাখল* মিংথোনবা ঈশৈ মযেক্কী লাইরিক অমা মে ৩১, ২০১৪ ইংদা ফোঙনবা হোৎনজরি। মসিসু মণিপুব সাহিত্য পবিষদ, বিষ্ণুপুবগী বেন্নব মখাদা ফোঙজগে হাযবদা লূপসিগী কমিটি মেম্ববশিং মকওইনা হুইবেম সনাযাইমা, প্রসিদেন্ট, লমাবম তোমচা সিংহ, সেক্রেটবিনা অযাবা পীরিবক্তুনা অথুবা মতমদা পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনজরি।

লাইরিকসিদা অৱায-অখুমদা ২১, মতমগী ঈশৈদা ৬৫, শৈবোনদা ৩৬, লাইশোন ঈশৈদা ২২, লৈবাক্লীংবদা ১৮ পূন্না ১৬২ নি। অপাবশিংগী

খুদোংচানবা হাযদুনা তোঙান-তোঙানবা গ্রূপ খাযদোকচবনি। অহানবা পোঙবা ঐগী লাইবিক *নোংদোন খেৎনা পাইবিবা লৈচিল* দা ঐজ্ঞা বি জযন্তকুমাবনা পীবিবকপা সজেসনগী মতুংইন্না থমজবনি।

লাইবিকসিবু অথুবা মতমদা ফোঙবা ঙম্মবা থব্রায যাওনা হোৎনবিবকখিবা যাইবিবেন কম্মুনিকেশনগী ইচা ইবুংঙো ইমোজীৎ অর্মাদ মাগী ষ্টাফকী ইচাশিংবু তৌবিমল খঙবা উৎচবি।

অইবী

য়াওবিবা ঈশৈ-শৈরেংশিং

অহ্নায় অহুম

মতমগী ঈশৈ

শৈথাবোল

লাইশোন ঈশৈ

লৈবাক্লীংবা ঈশৈ

অধ্যায়-প্রথম

মান্নবা ময়ামগী মরক্তা

নুপী মান্নবা ময়ামগী মবক্তা
মান্নদবা অমখক্তা
ফোঙনবা হোৎনবি পাউখোঙ
পুন্সিসিদা তাইবঙগী।

নুপা অকনবা-অথেনবা লৈত্রবা
নঙগী-ঐগী নুংশিবদা
কনানা চাইশিনবিববে ৱাউথাংনবা মচু।

নুপী খেন্নবনা থল্লবা মালেমসিদা
খেন্নদবা অমতং থিবিবা
নঙগী থম্মোয়গী পাউখোঙদো
কনানা ফোঙবা ঙম্লগনি?

নুপা অকনবা পাউখোঙ খুদিংমকপু
লায়থোকহনবা ঙম্লিবা
নঙগী নুংশিবগী ময়াইনি
খঙবিদ্রিবদি নঙদননিনে, মসিবু।

নুপী অবোন-অথুপ্পা খঙজদ্রিবা
চন্নবা থম্মোয়বু ৱাহল্লিবা
নঙগী নুংশিবগী ময়াইনি
খঙবিদ্রিবদি নঙদনিনে, নঙদনি।

নুপা খঙনা খঙনা খঙজিন্নদ্রিবা
ৱাখলসি ফাওবকপা খুদক্তা
খাঙমজদে পাখঙ থম্মোয়না
লায়থোকহনবিবো নুজা নঙনা
ফোঙবিবোনে পাউখোঙসিসু।

ওক্টোবব ২৬, ২০১২ ইং
ইবাই, অহীং

পামজরুবা নঙগী নুংশি ময়াইনা

নুপা   পামজব্বা নঙগী নুংশিগী ময়াইনা
ঙাওহল্লি ঐগী চল্লবা থম্মোয়বু
নুপী   অচীকপা পাল্লবা থম্মোয়দুবু
কনানা ঙাওদে হায়দোইনো
লোয়ালমগী মালংবনা
নুবাগী শল্লাং হুমদোকপিবি।

নুপা   ফজবী লক্তে ফজবী
নীংথিবী লক্তে নীংথিবী
তাইবঙদা নঙ নত্তনা
ঐগী কনা লৈজদেনে।
নুপী   মবৌ লৈবা খোইমুগী চিবোনবু
কনানা তাইবঙদা থাজনবগেনে
নুংশিদা নুংশি শাবা হৈবা
কুচু মুবা খোইমুগী শাজৎনি।

নুপা   নুজাগী থম্মোযসু নুংশি খঙমন্দে
ফজবনা শুমহৎলবা নুংশিবনা লাকহৎলবা
পাখঙ থম্মোযদি কঙাওনবেনে
খঙবিযু কৈদৌগে নুজা নঙবো।
নুপী   উনা উনা মশোঙ লয়খিবা
খোয়বাবা কনাগী শাজৎপু উকব্বা
থম্মোয়না থাজবা ঙমহন্দেনে
মালংদা শাৎচবী ইঙেল্লৈনা
চিন্নদনা কেনখিবা কল্লকইদা, কল্লকইদে।

ওক্টোবব ২৬, ২০১২ ইং
ইবাই, অথেঙবা অহীং

মেরাগী পূর্ণিমা থাজবু উরুবা

নুপা মেবাগী পূর্ণিমা থাজবু উরুবা
নুজাগী মায়থোঙবু নীংশিংহল্লি
লাংবনগী ফৌনাই ইপোম উরুবা
নুবাগী শল্লাংগী ঈথক নীংশিংই।

নুপী ফাইবেনগী লৈচিল উরুবা
নুপা ওইবৈ পূকচেল নীংশিংহল্লি
ইঙা কুমদম নোংহৌ উরুবা
থম্মোয়সে মথূম মবাং হৌহল্লিনে।

নুপা নাপল ইপোল্লাং ফজববু লোৎলিবা
হায়নবনি শক ফজবা
লাইথোক অমুক্তা মাঙবনি।

নুপী লাইবক চাউবী নুজাগী
থম্মোয় মশক খঙবিদনা
পাউথোকপিগে খল্লিবা, খোয়বাবা
হাক্কা পূকচেল ফংমন্দে।

নুপা নুংশিবনা শুমহৎলবা থম্মোয়
পামজবনা থুমহৎলবা পূক্লিং
রাহে কাবন চনত্রবসু
পূকখা লীনখা থাবিনু।

নুপী হায়নীংবা হায়বিয়ু
ঙাঙনীংবা ঙাঙবিয়ু
ঙাঙবা ঙম্বা শকপিয়ু
নুজাগী পূক্লিং নুংওনহনবা
পাখঙ পূকচেল হাক্কা ফংমন্দে।

ওক্টোবর ২৬, ২০১২ ইং
ইবাই, অহীং অথেঙবা

নুংশিবা খঙদে হায়বিগনু

নুপী নুংশিবা খঙদে হায়বিগনু
থম্মোয় পান্দে খনবিগনু
ইকায়থীবী নুজাগী মপোক্কি
মীমাঙদা ইকাযবা নংহনবিগনু।
নুপা নুজাগী পূক্লিংসু খঙজবে
খুজেং পালোয়নদুনা
নুংশিগী পম্ফুং তানবদা
চীংজাওগুম লেপচগে লেঙদনা।

নুপী পূক্লিংগী মপান তাংদুনা
থম্মোয লাম্লোকচবা ঙমখিবোই
অবেপ্পা পূকচেল থম্বিখো
নুজাগী পূক্লিংসু হোংজবোইনে।
নুপা পূকচেল চেৎপী নুজাগী নফমদা
পূক্লিং কাবণ চঞ্জবোইনে
লেপ্লবনি পামেলগুম
য়েৎপিবোনে ঊবীগুম।
নুপী তাংজবীনি হায়নদুনসু
মতম পূম্বদা তাংজবোইনে
লেঙদ্রবা উপালনা লেঙখিবা থোক
তাংজবী ঊবীনা লেপ্তুনা লৈহৌ
ঙমজবোই তাঞ্জাদো মাযোক্লবা
পাঙ্গল শোনবী নুজাগী মপোক্কি।

ওক্টোবব ২৬, ২০১২ ইং
ইবাই, অহীং অথেঙবা

পুন্সিদি পুন্সিনি হিংলিবা

নুপা পুন্সিদি পুন্সিনি হিংলিবা
তাইবঙসু তাইবঙনি পাল্লিবা
অৱা-নুংঙাই অনীমক্তা
নুপী ৱাখলগী মখা পোন্দুনা
মবায়বক মশানা শেমজদুনা
হিংলি তাইবঙদা মীওইবা

নুপা খল্লুই তাইবঙসে নুংঙাইবনি
অৱাবনা পোল্লোইনৈ হাযদুনি
নুংঙাইবনা মচেৎ, অৱাবনা তন্থাযনি
নুপী লোনচৎনি খন্দুনা তাইবঙগী
খাঙখিনি অৱাবা কযাদুসু
নোংদমখোল্লি খন্দুনা নোংদম্বগী
হিংখিনি ঐদি হিংলিমখৈ।

নুপা থম্মোযনা থম্মোযবু মশক খঙনা
পুন্সিনা পুন্সিবু ইকাযখুম্নববা
ফংগনি হিংবগী মহাওদো
নঙগী ঐগীসু তাইবঙসিদা।
নুপী পাঙ্গল শোনবী নুপীজানি
পূক্লিং থম্মোয় খঙবিদুনা
থাদোক্কে খনবিগনু লম্মখাঙদা।

ওক্টোবৰ ২, ২০১২ ইং
লৈবাকপোকপা, অঙনবা অয়ূক

লৃরুক্নুনা মায়থোঙ লৈদা

নুপা লৃকক্নুনা মায়থোঙ লৈদা
তপ্না তপ্না চংখিবা, নঙনা
হন্না ফাওবা য়েংলমদনা
নীংবা কায়না থম্মোয় শোক্লা

নুপী নুপীজা ওইবীগী মপোক্লি
য়াম্লা তোল্লি তোল্লিদা
ইকায়বনা নুংবঙনৈনে
ফোঙমজদে থম্মোয়গী য়াৱা।

নুপা ইকায় নুংশি য়াম্মনা নঙনা
হায়নীংবা য়াৱাসু হায়ঙমদনা
লৈদুনা চংখিবদো উকব্বদা
থম্মোয় ঐগীসু ফুক্বংনৈনে।

নুপী হায়ঙম তৌঙমদ্রবা নুপীগী মপোক্লি
ইকায় খঙদবীনি হায়নখিনি
থম্মোয় শোনবী নুজা ওইবীনি
অনীংবা কয়াসু ফোঙমজদেনে।

নুপী নঙগীদমক ঐসু
লেঙদ্রবা উপালগুম লেপ্পবনি
য়াৱা ফিগৈ শেংলমখো
চিংনা পবৈ থাংলননুনে।

নুপা থম্মোয় কিশিদো থোকপিবো
নুবা ইনেমচা পাম্মুবী
নিঙোল খূজেং পাম্নোইনদুনা
পুজবগেনে পম্বুং য়ৌনা।

ওক্টোবর ৩১, ২০১২ ইং
য়ৃমশকৈশা, অয়ূক

মায়থোঙদো লয়শিল্লকউসে

নুপা	মায়থোঙদো লয়শিল্লকউসে
গুলাপসে নাপদা থেৎপিগে।
নুপী	ইকায়জে ঐদি ইকায়জে
মীনা উখ্রগা নোক্রবিনি।
নুপা	লৈবাং থেৎপবু
কবি তৌই হায়বগেনে
নুংশিজবগী থেৎচবনি
পামজকব্বগী থেৎপিবনিদা।

নুপী	সমাজগী চৎনবীসু লুবনি
নিঙোলবু হেক্তা পাউথোকপিগনি
নুপা	হায়নীংবা হায়জসনু
ঙাঙনীংবা ঙাঙজসনু
ঐদি নঙগীদমক লেপ্লবনি লেপ্লবা
নুপী	পাখঙ পৃক্লিং খঙলবসু
সমাজগী চৎনবীসু নাথৈজবোই
চৎনবীগী শম্বল লাপ্তবোইনে।

নুপা	পলেম পম্বৌগী লৈকোল্লুংদা
শাৎলিবী লৈবাংনি খঙজবে
হৌন লোনচৎ নাথৈববোই
অহল-লমন থাজবব্রুগেনে।
নুপী	নিঙোলনা নঙবু থাগৎচবি
নুজা পৃক্লিং খঙবিবগী
চিংনা পবৈ থাংবিবনু
নিঙোলগী অয়াবা পীজবব্রুগেনে।

নবেম্বর ১৯, ২০১২ ইং
নিংথৌকাবা, নুংথিল

নীংথিরবী নুজাগী মায়থোঙ

নুপা
নীংথিববী নুজাগী মাযথোঙ
যেংবগী পেনবা নাইদবেনে
মুব' শন্নাংনা খজিক খুম
লৈচিল্লকী থাজগুম্লেনে।

নুপী
মালঙবা মাসু তেংবাংলক্লি
নুজাগী শন্নাং চোইজাইনহল্লি
যেংজনীংবা কন্নাগী চেংলৌবু
মুব' নোংহৌগুম খঞ্জিনবিম্লে।

নুপা
মীৎলম থৎলিবা নুবাগী শন্নাং
খুদোন্না খজিক হাইগৎপিযু
যেংজনীংবা মাযথোঙ থাজ
ইমীৎ পেন্না যেংজহৌখিগে।

নুপী
ইকাযথীবী নুজানি
হৌজ থেংখাং কাইহৌবিবনু
মীমাঙ ফম্বা ঙমজবোইযে, ঐদি
ঐগীসু খবদি খনবিযুনে।

নুপা
পামজক্ববনা কঙাওনববা
নুংশিজক্ববনা নৈহৎপিববা
পাখঙ থম্মোযনি মীঙমজদ্রবা

নুপী
থম্মোযনা খোঙদাজববসু
পূক্রিংনা লেপচববসু
ইকাযথীবী মপোক্রি নুজাগী
ইকাযখঙদবী তাহনবিগনুকো।

নবেম্বব ৮, ২০১২ ইং
শগোলশেল, অহীং অথেঙবা

কনাদসু ব্রাবৌজবরোই ঐ

নুপা কনাদসু ব্রাবৌজববোই ঐ
নীংবা কায়বগীসু পুন্সিদা
নুপী ব্রাবৌফমবু কদাযদনো
নুংশি ঈচেলনা নাথৈগ্রবদা
থম্মোয়দা মৈচাক হাপ্লম্বা
কনাদা কবি ইবালগীনো?

নুপা নবাল ইবাল থিকদুনা
পুন্সিদা কান্নফমবু লৈবিব্রনে
নোংদম্বগী নোংদমখোন্নি থল্লো।
নুপী লাইবক্তা তন্নমদ্রবা থুংনবা
পাম্লুবগীবু কবি কান্নবিবা
থম্মোয মৈচাক হাপ্লবনি
পুন্সিদা লাইমন ওইহৌনবনি।

নুপা হিংলিমখৈদি ঐনা তাইবঙদা
কাউবা ঙমগনি থাজদবে
নুংশি নঙগী ব্রাখলসে।
নুপী হন্দক মপোক থুংনদ্রবসু
মপোক অমদা থুংনসিকো
লাংওন লাংওন খুদিংমক্তা
নুংশি পম্ভুংমিন্নসিকো।

নবেম্বব ২৭, ২০১২ ইং
লৈবাকপোকপা, অহীং অথেঙবা

চিংনজৈনে ঐদি নঙসে

নুপী চিংনজৈনে ঐদি নঙসে
ঐগীনি অসুম হায়ববসু
থশ্মোয়না থাজবা ঙমজদেনে।

নুপা থাজগন্দবা হায়বদুনি
নঙগী থশ্মোয়সু হৃকমল্লি
নঙগী ওইনা লৈববা ঐবু
কবিগী অদুক থাজদ্রিবনো?

নুপী নুপা ওইবৈ পূকচেলদি
খোইমুগী শবৌনি হায়নৈদো
তাৎহৈবা নহৌশা ওইবনা
নুজাগী পূক্লিংনা থাজদবনে।

নুপা লেপ্লবনি ঐগী পুন্সিসিমক
নঙগীদমক লেঙদ্রবা উপালগুম

নুপী তলা পামেল ওইদুনসু
যেৎচবোই কৈদৌনুং ঊবীগুম
ইনাক্তা ঙাক্লৌ ওইবিয়ু
ইদোম লেপচবদা পাঙ্গল ওই।

নুপা মবা তাববা পামেলদুনি
অকন্নবা নোংলৈ লাক্লবসু
অচেৎপা মবানি ফূকঙল্লোইযে।

নুপী লম্ফাংনগনবা তাইবঙসিদা
লম্ফাংনখিগদ্রা খঞ্জকবনি
পাখঙ পূক্লিংনা লেপ্লিববদি
রাখলসে ঐগীসু হোংজবোইযে।

দিসেম্বর ২৯, ২০১২ ইং
লৈবাকপোকপা, অঙনবা অয়ুক

লমদম তাম্না লৈহৌরবী

নুপা লমদম তাম্না লৈহৌববী
নুবা ইনেম মচা পাম্মুবী
নঙবু কবম্না লেপ্লিগবা
নপাউ তাদবা কুইবেদা।

নুপী শাবী ইনেম্মচা পাম্মুবা
লমদম তাম্না পাইখ্রবা-ও
লোইদাম কয়া কুইববা
নপাউ অমত্তসু তাখিদবা।

নুপা মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না
হিংনবা খোঙচৎ ওইখিবনা
চিঠি পাউ থাবা ঙমখিদবে
ব্রাবৌগনুকো চান্নবী

নুপী মালঙগী ফৌবোই তুংইন্না
নুবাগী ইপাউ থাখিবদি
পাখঙ ফংই-ফংদে খঙখিদবে
থম্মোয় ঐগী পোখাহন্দ্রেনে।

নুপা পাখঙ ওইবা ঐহাকসু
ইথৌদা পূক্লিং চঙঙমদবেনে
শামান লেঙমান্নবা থেংনবদা
ব্রাখল পূক্লিং চোইবক্রেনে।

নুপী কবিগুন্বা নোংদুদা
পস্থৌ য়াথং অহকপা
নিঙোলনা ইনখিবা থোক্লবদি
কবি ওইকনি খঙ্জবনিদা।

দিসেম্বর ২৯, ২০১২ ইং
লৈবাকপোকপা, অহীং অথেঙবা

মতৌ লৈবী শকহেনবী

নুপা মতৌ লৈবী, শকহেনবী
নঙসে ঐগী ওইজগে, ওইজগেনে।
নুপী হা-হা-যো নোক্লীংইদা
খঙসু খঙনদ্রিঙৈ নঙগা ঐগা
ঐসে নঙগী ওইনীংলবা
যাম্না ঙকইকো শকহেনবা
হা তামো তৌঙম্ব-ও।

নুপা ঙকপিকন্নু কৈসু
বসন্তগী শৈহৌসিদা
ফজববু পামদবা নীংথিববু যেংনীংদবা
কন্না লৈবগে তাইবঙদা
হা কন্না লৈবগেনে?
নুপা নশক যেংই ফজৈদো
নতৌ যেংই মনীংথিজৈ
পামজৈনে নুংশিজৈনে
নুজা নঙবু পামজৈনে।
নুপী নগুণ ইগুণসু খঙনদ্রিঙৈ
ফোঙনা হেক্তা 'নুংশি' হাযবিবা
থৌনাবু ফন্না ফৈনে
তামো নঙবো, শকহেনবা।

নুপা মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না
পাখঙ থম্মোযনা খোযদাজবী
নঙবু পামজৈ, নুংশিজৈ হাযজবদা
হা - কবিদা লাল্লবগে অসিবো?

মে ১৭, ২০১৩ ইং
ইবাই, নুংথিল

ওইনা চাউবী ইবেম্মা

নুপা ওইনা চাউবী ইবেম্মা
ওইনবনু কৈদৌগে
নঙনা ওইন-ওইনবগা
ঐদি তৌফম খঙদবেনে।

নুপী ওইনদেযে কৈসু নঙোন্দা
খনবিক্নু থোইনা মদুদা
নফমদা কৈসু হাযজদেয়ে।

নুপা নঙগীদমক্তা লেপ্লবা ঐবু
খঙবিদ্রিবদি নঙদনিনে
থম্মোয মশক খঙদবদা
কবম্না থম্মোয পীকগনি।

নুপী খঙজবে নুপা ওইবৈ হৌনশা
খঙনা খঙনা খঙজিন্নদা
কবেম্লবদা নুংঙাইথোকপা
হাক্না থম্মোযদো কনমল্লি।

নুপা মীনুংশি খঙদবী ইবেম্মা
নঙগী থম্মোযসু কনমল্লি
লেপ্লবনি লেপ্লবা
নিঙোল ওইবী নঙগীদমক।

নুপা-নুপী খৃৎকা খৃৎকা খৃৎশম্না
থম্মোয থম্মোয় শকখঙননা
চৎলসিনে কৈদনো
তাইবঙ পল্লোন হ্নাংমদা।

মে ২২, ২০১৩ ইং
য়ুমশকৈশা, অঙনবা অয়ূক

নোকমি নোকমি নীংথিবী

নুপা নোকমি নোকমি নীংথিবী
ও-নুবা শক্তম ফজবী
উকবা মীৎকৃপ্তুদগী পাখণ্ডদি
লম্বোইবে নঙগী ব্রাখলদা।
নুপী নীংজবনা নিঙোল মপোক্কীনি
ফোঙজবা ঙমদবা ইকাযথীবী
পামজববসু পাম্মী হাযঙমদবা
নুংশিববসু নুংশি ফোঙঙমদবা।

নুপা ব্রাখল খল্লুই, ব্রাজৈ
শক্তম উদ্রে নুংবংনৈ
কাউবগে খল্লবসু ঙমদবা
লম্বোইবে নঙগী ব্রাখলদা।
নুপী নুংশি শক্তম নুংওনবা
থম্মোযনা ঐগী খোয়দাবসু
চীম্বাল কাঙবা ঙমজদবা।

নুপা খল্লি খল্লি নঙগী ব্রাখল
অহীং-নুংথিল মীৎকৃপ খৃদিং
কাউবগে খল্লবসু ঙমজদবা
পুম্সিগী থৌদাং কাউবে কাউবে।
নুপী ইকায়বনা পল্লোন খাখিবনা
পুনযান য়েংজবসু ঙমজদবা
তাবমদাই থাজগুম নোংঙাল্লমদাই
শাইনোল্লক্তে য়েংজবনি, ইকায়থীবী ইহৌশা।

জুন ৭, ২০১৩ ইং
ইবাই, নুংথিল

মুর’ শন্নাং চেঙহী মনম

নুপা
মুর’ শন্নাং চেঙহী মনম
চীন্নাল ময়াদা থুংবা শন্নু
শুমহৎয়াই চেনবী মায়থোঙ
মোংফম ওইববে পাখঙগী।

নুপী
মোমোন মিনোক অহেনবা রাহে
থম্মোয় শেংই কবম্না খল্লুগনি
হৈনবী মতাংনি খোইমুগী
তাইবঙ ফাওনা খঙনবনি।

নুপা
পামজকবা থম্মোয়না
নীংজকবা পূক্লিংনা
ননাক্তা লাক্লীংই তত্তনা
মীৎকূপ পূংজা খূদিংদা।

নুপী
লাকপিনু কৈসু ইনাক্তা
পূকচেল খঙদনা কৈদৌনুং
থম্মোয় পীজবা ঙমখিবোই।

নুপা
অশেংবা থম্মোয়গী য়ারাসে
কবিগী থাজবিদ্রিবনো
নিঙোলসু থম্মোয কনমল্লি।

নুপী
কল্লবা নুংশিগী ময়াইনি
থম্মোয় খঙদনা নুংশিকবা
মপোক্কী মবাল ওইদুনা
ফংলবদি অরাবা কবিগুম্বদা
নুজা থম্মোয়না চিংনজৈনে।

জুন ৫, ২০১৩ ইং
যুমশকৈশা, অঙনবা অয়ূক

থাবলগী ইপোম্নাংনা শাৎচবী

নুপা	থাবলগী ইপোম্নাংনা শাৎচবী, থাবল্লে
যৌনাইদবা মালঙনা লৈনম হুখিদুনা
খোইমু কনাই নাপদা
লৈবাংগী মপাউ অম্নুবিগবা।
নুপী	হৌনশা ওইবা মপুই খুৎশেমদা
থম্মোয় হাক্রা ৱাবিকনুদা।

নুপা	অৱাংবা কাইদোংদা উবোংখিনবা
সমাজগী চৎনবীদা তাউনবনা
মিপাইজৈ ঐদি থীক্লেম্বা ওইবম্বনা।
নুপী	নুংশি তাইবঙদা অনেম-অৱাং খাযদে
সমাজগী লীচৎ ফনা ওইদুনসু
থম্মোয় থম্মোয় খঙনববদি
নুংশি মবীসু চেৎপনিদা।

নুপা	নুজাগী ৱাখলনা অদু যৌবদি
পাখঙ ঐসু লেপ্লবনি পূক্লিং
অহেনবা উবগা নাথৈজবোই
নুংশিবনা হেল্লি খঞ্জগেনে।
নুপী	পাখঙসু পূকচেল লেপ্লিয়ু
পোম্বীসু শাখপ তোইজবোইদা
নশুংলাংগী পলেম-পম্বৌ ঙমজগেনে।

জুলাই ১৮, ২০১৩ ইং
শগোলশেল, নুংথিল

হাইনোক তৌবা মিনোক্কুনা

নুপা	হাইনোক তৌবা মিনোক্কুনা
কয়াদা মবৌ লৈবন্নবা
লেন্নবগী মতৌ উৎলক্লিবা
অহেনবা কনাগী মাযকৈ য়েংদুনা।
নুপী	মীৎযেংদুগী ঝাহন্দোক্লা কদোমদা
পুন্সিগী পান্দম্মা কদায়দনো
তম্বা ঙমদ্রবা পুন্সিনি খন
অদুক তয়াং তশোইবিববো।

নুপা	অপাম্বগী মখা পোন্না, নঙনা
উৎলিবোই অহেনবা ইঙ্গিৎ কয়া
চন্নবা থম্মোয়নদি নীংঙমদা খল্লি
পম্বুংগী অবোইবা থাক্কুদা ফমদুনা।
নুপী	তাইওন্নবদা ওইনা তম্বিবন্নবা
নুজাগী মপোক্লি নোংদম থীববা
ঝাবৌজদে কৈসু, কনাদসু
অহেনবা অঝাংবসু থোইনা খল্লুদে।

নুপা	খঙবিয়ু ঐগী পৃক্লিংগী ফিবেপ
থম্মোযনা খোয়জংলুবা হায়দুনি
লেপ্লবা ঝাখলনি পুন্সিগী ওইনা
খোঙফম অমা লেঙলবোই তুংহন্না।
নুপী	নুপাওইবৈ লিংজেন্দা থাজবা থমজবে
চীংজাওগুম লেপ্লিয়ু নুজাগীদমক
হৈনা নতুং ইঙ্গগে পুন্সি পম্বুং তানবদা
অঝা-নুংঙাই অনীমক্তা শায়েং পাম্মোম ওইজগেনে।

নবেম্বর ২৪, ২০১৩ ইং
থাংজ, অহীং অথেঙবা

ওইন-চাউবী কনাগী মায়থোঙ

নুপা ওইন-চাউবী কনাগী মায়থোঙগুম
লোৎখবেনে ঙসিদি পূর্ণিমাগী থাজসু
নোংহৌ পুবী মৌসুমী নোংজু মকমদা।
নুপী মকুম থাগী হৌনশা ওইদুনা
চুবক্লিবা খা-নোংচুপকী নোংহৌনা
অতিয়া শীন্না চাইবকখিবনা
লোৎখিবা ওইবিনি থাজগী মায়থোঙসু।

নুপা নোংইনগী থম্মোয় কনানা খঙবিনি
উজনীংবা থাজগী মায়থোঙ উদ্রবদা
খোইকম মোমোন নোকচবা ঙমদনা
মায়থোঙ লৈদা লুকক্লবনি।
নুপী ইকায়বনা মাগী শকক থুংলম্বা
থম্মোয়দা ফাওবকপা ব্রাখল্দুনা
লুকক্লনা খাঙলিবা ওইবিনি
নোংজুগী কল্লবা ঈহৌলক্তুদা।

নুপা ফজবদা শীংথানৈ থাজ-নোংইনগী কুম্মৈ
য়েংজনীংবা মীৎসিনা উবা ফংদ্রবসিদা
কবিবু হায়কনি অব্রাবগী চাংদো
কায়না মৈচাক্তি কায়নবা মাতনা খঙবনি।
নুপী নোংইনগী থম্মোয়বু থাজনা উবিদে
থাজগী মৈচাক্তি নোংইগ্না খঙখিব্রা
হায়জবা ঙমজদে অচুম্বা ব্রাহন্দোক
থম্মোয়না থম্মোয়গী মৈচাক খঙবিদ্রবদা।

নবেম্বর ১৮, ২০১৩ ইং
য়ুমশকৈশা, অঙনবা অয়ূক

নঙগীনিবু হায়রবদি

নুপী নঙগীনিবু হাযববদি চোইবোন খূদিংমক
লোইনা তানীংই লোইনা খঙনীংই
কবম্বা যাদু হৈবনো, খঙদে ঐ
নুপা নুংশিগী তাইবঙদি অসুম্না তৌবনি
মান্নবা থৌওংনি খেন্নবা লৈত্রবা
শুমহৎপিবে ঐবুসু নঙগী নৱাহৈনা
কবম্বা যাদুগী মন্ত্রনো, খঙদে ঐ।

নুপী অনৌবা ৱাখলগী তোবৈ খূদিংদা
তবং-মালঙদা ইতাউ তাউবেদা
মসিমদি ওইহল্লনীংদ খঞ্জবনি ঐ
চৎনবী পল্লোন লাম্ছোকপা ঙমজবোই।
নুপা সমাজগী পল্লোন মনুংদা লৈবনা
মদুবু ইকায়খুম্নফম থোকই
ৱাংমা লান্না হিংবা ঙল্লগী থৌনা
লৈজদে ঐঙোন্দা, নঙোন্দসু লৈবল্লোই।

নুপী খঙবিয়ু খঙফম থোকপা চৎনবী কাঙলোন
কাঙলোন তুংইন্না হিংমিন্নবা ঙম্নবা
হোৎনমিন্নসি থৌনা পুম্বা খোমজিন্দুনা
চান্না চিন্ননা থম্মোয় মশক খঙননা।
নুপা হায়বিবা পুম্বা অচুম্বা ঙাক্তনি
তুংইনবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি
হিংমিন্নবা ঙম্নবা চৎনবী লম্ভুদা
লাক্লো চৎলসি পম্বুংদো য়ৌনবা।

সেপ্টেম্বব ২০, ২০১৩ ইং
ইবাই, নুংথিল

অহীংসিসু থেঙজিল্লক্রে

নুপা অহীংসিসু থেঙজিল্লক্রে
নঙবু ঙাইবদা তৃংখুল্লু য়াদবে
লাক্রোগবা চান্নবী নঙবো
ঐগী নাক্তা লাক্রোনে।
নুপী ঐবু অমুক ঙাইবনু
মপোক থীবী নুজানি
নঙগী পিবাং তৈথোক্লবা
ঙম্লগী থৌনা লৈতবেনে।

নুপা নঙনা ফিজেৎ লৈতেংদুনা
যৃমদগী চৎখিবা নুমিৎতুদগী
নঙবু ঙাইদুনা লৈবে ঐদি
মীৎকী কক্লা উইদনা।
নুপী ঙাইবনু ঐবু চান্নবা
তৃংখুল্লো থেঙলে অহীংসে
পুন্সি নুংশাং নকম থৃপচনবা
তম্বিবমদ্রে বিধিনা ঐবুদি।
নুপা তাইবঙ খোঙলোয ওইবম্বী
পুন্সি থৌদাং লোইদনা
চৎলব্রনে ঐবু থাদোক্তুনা
হল্লকখো লাকখো চান্নবী।
নুপী তাইবঙ চেঙজেল লোইবদুনা
নোংদম্লগী নোংদমখোন্না
ঐদি চৎলে তাইবঙ ৱাংমদা
ঙাইবনু ঐবু তৃল্লো চান্নবা।

সেপ্টেম্বর ২১, ২০১৩ ইং
থাংজ, অহীং অথেঙবা

শানৌ ইনেমমচা পাম্মুবী

নুপা শানৌ ইনেমমচা পাম্মুবী
নুংশি নোংদম ওইবিবী-ও
থম্মোযনা ঐগী খোযদাজবী
নঙবু কাউগে ঙমজদবা
কবি থৌওংনো?

নুপী শাবী ইনেমমচা পাম্মুবা
নুংশিগী নোংদম ওইবিবা-ও
থম্মোযনা ঐগী খোয়দাকবা
নঙবু কাউগে ঙমজদবা
নিঙোলগী কবি থৌদৌনো?

নুপা কবম্না বিধিগী নোংদমখোন্না
নুবাগী শক্তম উদনা
মীৎকৃপ পূংজা লৈঙমদবা
পাখঙগী কবি থৌদৌনো?

নুপী নোংদম্বগী কবি থৌওংনো
পাখঙ চেঙলৌ উদনা
মীৎকৃপ'মত্তা লৈঙমদবা
নিঙোলগী কবি নোংদমনো?

নুপা নুবাগী চেঙলৌ নীংথিবী
পাখঙ পূক্লিংনা খোযজঙবী
থম্মোয ঐগী শুমহৎখিবা
বিধিগী কবি থৌওংনো?

নুপী পাখঙ শক্তম নুংওনবা
নিঙোলগী পূক্লিং হূবিখিবা
ইথৌদা পূক্লিং চঙঙমদবা
বিধিগী কবি নোংদমনো?

জুন ৫, ২০১৩ ইং
য়ুমশকৈশা, অঙনবা অয়ূক

মতমগী ঈশৈ

করিগুম্বা নঙনা নীংশিংলক্লবা

কবিগুম্বা নঙনা নীংশিংলক্লবা
থিবকউ ঐবু নোংদোনগী লম্বীদা
পৃথি-নোংদোল তাইনফমদুদা
ঙাইবমগে ঐনা নঙবু মফমদুদা।

তাইবঙগী কল্লক মিহৌ ব্লাংমদা
তৎন-থানবা নৈত্রবা মফমদুদা
মীওই খৃৎশেমদুগীসু ব্লাংমদা
নুংশিজবী নঙবু ঙাইবমগেনে।

মফমদুদা নঙ ঐগীতা ওইবা
শঙ্গায অমতং শাগৎচদুনা
মদুদা ব্রাযথুংনসি ইবান্নী
কল্লক-মিহৌ যৌঙমদ্রবা
অব্রা নুংঙাইগীসু পল্লোন ব্লাংমদুদা।

ওক্টোবব ১৩, ২০১৩ ইং
থাংজ, অহীং অথেঙবা

নোংঙাল্লমদাই লিরি হুম্বা মালঙবনা

নোংঙাল্লমদাই লিরি হুম্বা মালঙবনা
মালেম শীঙ্খুংনা শীৎলকপদা
নোংচুপ অতিয়া মকোযদা, থাজনা
চীংগী মকম থুপ্লমদাইদা
থম্মোযদা ফাওবকই, নীংঙম্নদবা।

অদুঙৈ নুংশিগী শৈহৌদুদা
মীবাযবিখিবা নঙনা ঐবু
অহানবা নুংশিগী শৈহৌদুমক্তদা
থাজহনবিবল্লগা পঙলবী থম্মোযবু
অহেনবা কনাগী কাইদোং থিখিবা
থম্মোযসে কাযনা খাঙহৌখিবদো।

কুচু মুবা খোইমুগী লীচৎনি
কুচুদা মুদে থম্মোযসু য়াওনা মুবনি
পূকচেল খঙদ্রিঙৈ থম্মোয পীকবা
ইবালদুগী দন্দি ওই মৈচাক খাঙহৌবে।

ওক্টোবর ১৩, ২০১৩ ইং
থাংজ, অহীং অথেঙবা

কাউরগে খন্না কাউথ্রবরা

কাউবগে খন্না কাউথ্রববা
নীংশিংলবোই নীংনা নীংশিংদ্রববা
থম্মোয় খোনগী মৈনদি কন
কায়না মৈচাক্লা মৈরায়বক
নুজা ওইবী পাঙ্গল শোনবীদি
কন্নীথক্কী লৈনৈগুম, খাঙমদবেনে।

তাইবঙ পুন্সি হৌনশা
অপাম-নুংশি মৈনদি
মতম ফনা মৈরাযবক
থাবল ফব' অহীংসিদা
খাঙঙমদা মৈচাক্লা মৈরায়হৌবে
লমদম তান্নবা চীংলৈবাকসিদা।

ওাইবগী অরাবদি
লাক্কদবা মানদি খঙবিবোই
নুপীজা মপোক ওইবম্বনা
পলেম পম্বৌগী রাবকখাদা
লৈবাং লৈশাং তন্নিবীনি
অহকপা য়াথং হীক্তোকফদেনে।

নবেম্বর ৯, ২০১৩ ইং
ইবাই, অহীং অথেঙবা

তরামরিনি পানবগী থাজনি

তবামবিনি পানবগী থাজনি, নঙদি
থম্মোয় অতিযাদা ঙাল্লিবা, ঐগী।

ব্রাখলগী তোবৈ খূদিংদা ঐগী
নঙতগী ওইবা শক্তমদুনি ঙাল্লিবা
মুববা শল্লাংনা খুমখিবা থোক্লবা
থম্মোযদা চৈনা ফাওবকইবনি।

থাজনা নৈচিল মকমদা লোংখিবা
অতিযাগী ফীভম কবি ওইবকখি
কাযনা মৈচাক খাঙবদা ব্রাববা
থম্মোয়না কবম্না লেল্লমগনি, হাযযু।

হৌখিবা নুংশিগী থৌদোক কযাগী
নীংশিং মমিনা শাল্লক্লবদা
খাঙলমখিগনি ঐদি তাঙ্গোয ওল্লবসু
নিঙোলগীদমক্লি পুন্সিসে খন্দুনা।

নবেম্বব ১০, ২০১৩ ইং
থাংজ, অহীং অথেঙবা

অনৌবা ব্রাখলগী মঙলান্দা

অনৌবা ব্রাখলগী মঙলান্দা তাউবিঙৈ
নীংজবা থুংলনি খন হবাওবিঙৈ
নঙদি মীগী ওইখিগদৌবেনে।

পাঙথোক চান্নবা নুপাই থম্মোযনা
অসুম্না লাযথোক্না খল্লুবিঙৈদা
কাযনবনা পম্বুং ওই থুংবিবল্লেনে।

সমাজগী পলনা ব্রাংনা খাখিবনা
পাঙ্গল থোকপা ঙমজদবনি
কন্নাদসু ব্রাবৌজববোই ঐনা।

লৈবাংগী লৈখোঙ শঙজবল্লগা
লৈবাং হেকপা ঙমজদবা ঐদি
ইবাল ওইনা মৈচাক খাঙজহৌবগে
মসিনা ঐগী ফংফম থোক্লবা
দন্দিনি খল পেঞ্জহৌবগেনে।

নবেম্বর ১০, ২০১২ ইং
থাংজ, অহীং অথেঙবা

ঐগী নুংশি তাইবঙদা

ঐগী নুংশি তাইবঙদা
অকাও পৰৈ চনখ্রবী
মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না
অকাওবৈ লৈবোন চনখ্রবী
নীংশিংলকইনে, ঙসিদি।

কবম্নবু পাল্লিগবা
কবি লমদা লৈবিগবা
নুংঙাই যাইফনা পাল্লিগদবা
হংলুবসু ঙমজদ্রবনি ঐনা
থিরুবসু ঙম্লোইদৌবিবনিনে।

তাইবঙ লোনচৎনা থিংখিবনা
উনববসু নাথৈম্ব্রবীনি
মীৎযেংতনা হংজরুবনি
থম্মোযতনা খঞ্জরুবনি
সমাজগী পলনা থৎখিবনা
চীনবান কাঙবা ঙমজদবেনে।

নবেম্বর ১১, ২০১২ ইং
নোংমাইজিং, নোংঙাল্লমদাই

নুংশিজরবসু নুংশিদা শা

নুংশিজববসু নুংশিদা শা
পামজববসু পামদা শা
থম্মোয় নাথৈকব্বদি
নুংশি মৈনা মৈরায়বক্রে
কায়না মৈচাক খাঙবদা রাবেনে।

পলেম পম্বৌগী যাকা যেং
পলেমগী খোল্লাং লমন শিং
পম্বৌগী যাথং হীকথোকফদা
ইকোক নোল্লা পুজবা তাববদা
নুংশি রাযথুংনখিদবনিনে।

নুংশিদা কাদা নুংশিবা শা
পামদা কাদা অপাম শা
পুন্সি পোলোই তাঞ্জবকপনি
নীংঙমদা পিবাং শীঙ্খবদুনা
নুজা পুন্সিসে লোল্লনিযে।

নবেম্বর ১১, ২০১২ ইং
নোংমাইজিং, অঙনবা অযূক

ৱাংমা ৱাংমগী পুন্সিনি

ৱাংমা ৱাংমগী পুন্সিনি
নঙগী ঐগী নুংশি ৱাবীসু
ঈচেল ফাংলবা তুবেলদুনি
ককশাবী শাববা তোর্ব্বান্দুনি।

লমখাযসিদা চিংখিবা লৈইদো
চাংচৎ মান্নবা চৎথ্রবদুনি
ঈতিল্লবগী ওইথোকপা লৈতবে
মপোকসিমগী নঙগী ঐগী।

থস্মোযগী ওইবা যাৱাদুদি
থস্মোযদা অদুম লৈহৌবসনু
চীনবানসিনা কাঙথোকপা ঙমদনা
পুন্সিগী অবোইবা পৃংফমদুফাওবা।

ৱাবৌবা হৈজদ্রবা থস্মোযসিনা
কন্নাদসু হাযদোকপা তৌদনা
পুদুনা চৎথ্রগে থস্মোযনুংদা
অবোইবা ঐগী মীৎকৃপ্পুফাওবা।

নবেম্বব ১৭, ২০১১ ইং
থাংজ, অহীং অথেঙবা

পামজরুই নুংশিরুই কৈদৌরুনি

পামজরুই নুংশিরুই কৈদৌরুনি
নুজাগী থোংলবা থম্মোয়দুনবু
ফজনা হেক্তা মকল্লম্লবদা
খম্বল চাউবা ঐতনা মরাজৈ, মরাজৈ।

রাবৌফমসু লৈজদে ঐগীদি
খোঙহৌ থীনবা খোইমুগী হৌনশা
অনীশুবা হেক্তা মতাকই
ইদোম তবক হন্দোকচবা নত্তনা
ঐগী কবি উপায লৈজদে, লৈজদে।

পামজরুবা থম্মোয়নদি
নীংজরুবা পূক্লিংনদি
লৈবাং নাক্তা তোযনা চৎনীংলুই
রাংল' চেকপল খাবল্লে
উপায লৈতা মতোকচৈ, মতোকচৈ।

নবেম্বর ১৯, ২০১২ ইং
নিংথৌকাবা, নুংথিল

মতমগী য়াওলদা তোংদুনা

মতমগী য়াওলদা তোংদুনা, নঙনা
ৱাহল্লে ঐবুদি ঙমখৈ লৈতনা
লৈখা তাহনবিবে নুপীগী ইজ্জৎ
লৈজনীংদবে, হিংজববোইযে
অনৌবা যুগসিদা নুপী ওইবী ঐদি।

ৱাখলগী লংলাসু পুনখিবা কুইবে
কুইবে কুইবে পুনখিবা লংলা
থোকচবা ঙল্লবোই মপোকসিমগী
পুনখ্রবা লংলাদো নুংশিবগী
থোক্লবোই কৈদৌনুং কিশিদুসু।

নুংশিগী পম্বুংদসু থুংজববোই
পাম্মুবে কাদসু য়ৌজববোই
মপোক থীবী নুজা ওইবম্বনা
পম্বৈগী শঙ্গায থাদোক্তুনা
তাইবঙগী ৱাংমা লাঞ্জখ্রগেনে।

দিসেম্বর ১২, ২০১২ ইং
যুমশকৈশা, অঙনবা অযূক

তৌদ্রি খোংবা তাদা

তৌদ্রি খোংবা তাদা-ও
নঙগী তৌদ্রিদো
ঐখোয়গী থোঙ্গালদা, নুতিগী
অথেঙবা অহীংদা খোংবিয়ুবা।

ঐদি নঙগী তৌদ্রিদো
তাজবা যাম্না পামজৈনে
তৌদ্রিদুগী খোঞ্জেলদুনা
ঐগী থম্মোয়বু শুমহৎপিগ্রেনে।

তাজবা পামজৈ খোঞ্জেলদো
অথেঙবা অহীং খূদিংদা
নঙনা ঐখোয থোঙ্গালদা
নুংশি নুংশিনা খোংবদো।

নুংশিবা সুবনা নাপদা য়ৈবদা
থম্মোয়সে মথূম মবাং হৌহল্লি
লৈঙমজদে পঙ্গৌ শঙ্গাযদা
পূক্লিংবু থেমজিনবা ঙমজদেনে।

দিসেম্বর ১৪, ২০১২ ইং
ইবাই, নোংঙাল্লমদাই

কাউঙমদ্রবা নুংশিগী শক্তম

কাউঙমদ্রবা নুংশিগী শক্তম
কাউগে খল্লসু কাউঙমদ্রেনে
থাজ কোতি ঙমজবী মাযথোঙ
শন্নাংনা চোইজাইনা খুমখিবদো।

রাখলনা কাউবগে খল্লুই
পূক্রিংনা হন্না নীংশিংলকই
লমদম তামখ্র-তামখ্রগা নঙনা
হেন্না থোইনা খোযবাংহল্লিনে।

পুন্সিদা ফংলবোই খঙলবসু
নঙবুদি কাউবা ঙমজদেনে
নীংশিং নীংশিং পুংজা খুদিং
থম্মোযদা তাশোন্না থিনগুম্লেনে।

খাঙবদা রাববা নুংশিগী চৈনার্দি
তাংলৌনা থেঙল-থেঙলগা
থাজগী মাযথোঙ উকবগা
মৈচাক মৈরাযবা হেল্লকইনে।

দিসেম্বর ১৪, ২০১১ ইং
ইবাই, অঙনবা অযূক

অনীংবা অপাম্বনা লমজিং ওইদুনা

অনীংবা অপাম্বনা লমজিং ওইদুনা
ইখিনি ঐদি নঙগী ঈশৈ
শকখিনি সুব পান্দুনা তত্তুনা
অথেঙবা অহীং থাবলগী ইপোমদা।

কায়স্তুবা থম্মোয় থেমজিঞ্জনবা
নুংশি মৈচাক খাঙবা ঙম্লবা
অৱাবদো নঙোন্দা উৎলবোই
নুংঙাইবি হায়না খুম্না ঙম্লবা।

অৱায় - অখূমগী তাইবঙনি হায়বসু
ঐগীদি থুংবিবমদ্রে থুংনবা হাযবদো
নুংশিগী ঈথক ইপোমদা তাউদুনা
থম্মোয়গী অপেনবদা নুংঙাইজবদো।

ৱাবৌবসু হৈজদে ঐদি
শেম্বিবা মঙোন্দসু ৱাবৌজববোই
মসিমক তাইবঙনি খল্লগে
নুংঙাইনা হিংলি উৎলম্লগেনে।

দিসেম্বব ৫, ২০১২ ইং
থাংজ, নুংথিল

নঙসু ঐসু ব্রারেদো

নঙসু ঐসু ব্রাবেদো
কাযনা মৈচাক খাঙলেদো
নঙগী ঐগী নুংশি লম্বীদা
অসুম্না কাযনগনি খল্লুদেনে।

হৌখিবা পুন্সিগী শৈহৌদা
নুংশি নুংশি লোযনবকখিবা
নুংশি পম্লুং যৌবমদাইদা
অসুম্না কায়নগনি খল্লুদে।

ব্রাখল ঐগী পুঙমদ্রেনে
নঙগী চেংলৌ উদনা
পুন্সি কবম্না লেল্লুগনি
কাযনা পোৎলূম পুদুনা।

খাঙবা তাববসু চৈনাসে
থম্মোযদা তাশোন ওইহৌবনি
লকানুংগী মৈচাকসে পুদুনা
পুন্সি চূপ্পা হিংহৌবনি।

দিসেম্বব ১১, ২০১২ ইং
ঙাংজ, নুংথিল

ৱাখলদুগী চৈনানি

ৱাখলদুগী চৈনানি ঙসি
ঐনা ৱানা খাঙলিবসে।

তাইবঙ লোনচৎনা পুনখিবনা
যানীংদবা কোঙ্গায় লৈথ্রবসু
ৱাংমা লান্না চৎচবা ঙমখিদে
পাঙ্গল থোকপা ঙমখিদেনে।

পুন্সি চূপ্পা ওৎলক্নি ঐবুদি
ৱাখলদুগী চৈনাসিনা
চৎনবীগী পলদু লাল্লন্নবা, ঐনা
ঙসি ৱাবিবসে ৱাবমদবা যাবনি।

কনা গুম্বা(বী)গী খল্লুবনি মতমদুদা
মানদি ঐবু খনবিদে কৈসু
মাগীদমক ৱাবক্লবা(বী) ঐবু
ঙসিসু ওৎলি পূক্নিংসে ঐগী।

দিসেম্বর ১৬, ২০১২ ইং
নোংমাইজিং, অঙনবা অযূক

শাখপ তোয়বী চেক্রানি

শাখপ তোযবী চেক্লানি
খঙলুদবে ঐনদি
নুংশি ঈচেল ঈবোন্নুংদা
অমুক লূপ অমুক তাউ
শান্নজকুবা ঐনদি
খঙলুদবে নঙবুদি।

নঙগী নতৌ অসিনা
নীংবা কাযহল্লে ঐবুদি
তলা পামেল ৱাংথোইবদা
চেক্লা পূংবা তোংজংনীংলম্বা
অবেম্বা মঙলান ওইহৌবে
চেক্লা নাইতোম তাহৌবেনে।

অসুম্না অসুম খঙহৌদনা
নীংবা কাযনা লেনহৌবে
নঙবু নীংশিং নীংশিংনা
কাযনা মৈচাক খাঙহৌবে
তাইবঙ লীচৎনি হৌনশা
পূক্লিং থেমজিনজহৌবেনে।

দিসেম্বর ১৮, ২০১২ ইং
লৈবাকপোকপ, নুংথিল

মঙলান্দুগী মঙলৈবাক্তা

মঙলান্দুগী মঙলৈবাক্তা
কেকু লোৎপী শান্নকবি
নুংশিগী অহানবা শৈহৌদুদা
নুংশিজকববনি নঙবুদি ঐনা।

কাউবা ঙমদ্রবা থম্মোযসিনা
হন্না হন্না নীংশিংলকই
হৌখ্রবা নুংশিগী থৌদোক কযাদো
অমুক হন্না থোক্লবোইদৌবা।

লাযবৈ পংথৈ মখাদা
পোক্লবা ঐগী ইবাযবক্রা
নঙবু ফংউ তল্লমদবে
থীক নেম্বনা থাজ লাল্লম্বনি।

কাযববা থম্মোযসে কাযখ্রসনু
অমুক থেমজিনবা পামজদবে
নীংবা কাযনা লেল্লগেনে
পুন্সি ঐগী হন্দক মপোকসে।

দিসেম্বর ১৮, ২০১২ ইং
লৈবাকপোকপা, নুংথিল

মালঙ ইপোমলাংনা শাৎচবী

মালঙ ইপোমলাংনা শাৎচবী
লৈবাংনি নঙদি লৈনুংশি।

খঙখিদে নঙনদি কৈদৌনুং
ননম্না নঙগী যেক্লবনি
নঙনা নউদা তিংখং পাল্লবসু
অপাম্বনা লাঙ্গোয চল্লেনে।

নাবক মোংশোংনা শাৎফম ওইববসু
অপাম-মীৎযেংনা মাযকৈ শীল্লেনে
হেক্কদবগী খূৎশা কযানা
মালঙদা জগোয শাববেনে।

শাৎলু অদুবু শাৎলু লৈবাং
লৈকা ফন্না ননীং তম্না
তাইবঙগী হৌনশা ওইবনি
অপাম নুংশি কল্লক মীৎযেংসু।

দিসেম্বর ৩০, ২০১২ ইং
নোংমাইজিং, শ্রীশ অপোঙবা

তরক তরক্লা শাৎচবী

তবক তবক্লা শাৎচবী
তোমথিন ঙানবী গুলাপলৈ
মালিগী চেকশিনবা খৃৎথানি
লৈহাও চেল্লবা লৈকোলগী।

লৈবাংনা ফৃগায়না শাৎলকপদা
মালয়া নুংশিৎ নাম্বিনা
লৈবাংগী লৈনম য়েল্লদুনা
পাইবক্লে খোইমুসু খোইবাবা।

খোইমুগী শাহুম লাংবদা
মালিগী থম্মোয় খোয়বাংই
খোইমুগী তমথীবা লীচৎনা
পোমশাৎনবী লৈবাং কেনখিগদ্রা?

মতমগী য়াওলদা শীৎলকপা
অকনবা নোংলৈগী শাফূনা
লৈবাং লৈনা চোইখিগদ্রা
থম্মোয়দা লাইমন কাঙলকইনে।

দিসেম্বর ৩০, ২০১২ ইং
নোংমাইজিং, অহীং অথেঙবা

অহীং থেঙল-থেঙলগা

অহীং থেঙল-থেঙলগা
মৈচাক হেন্না ৱাযবকইনে।

নুংশি মৈচাক হাযবসে, অঙকপনি
কল্লি কল্লি ফনসু কল্লি
কাযনখিবসু লোইদাম কুইবে
উনখিদবসু কুমজা যাম্লে।

কুইব-কুইবগা হেন্না উইবকই
কাউবগে খল্লুবা হেন্না নীংশিংই
থম্মোযখোনগী মৈচাকসে
কন্নাদবু লীকবসিগেনে চান্নবী।

ফোঙঙমদনা লৈবকপা মৈচাক
হেন্না হেন্না মৈৱাযবক্লিবা
লীদুনা থম্লকপা মৈগী চীংগুম
পোকখাযবগে খল্লমাল্লেনে, ঙসি।

দিসেম্বৰ ৩০, ২০১২ ইং
নোংমাইজিং, অহীং অথেঙবা

লাঙ্গোয় চল্লে ঐগী পূক্লিং

লাঙ্গোয় চল্লে ঐগী পূক্লিং
লাঙ্গোয চল্লে ঐগী থম্মোয
নঙগী নুংশিগী ৱাখলনা
নীংশিং নীংশিং হন্না হন্না।

হৌখিবা নুংশিগী থৌদোক কযা
নীংশিং নীংশিং ঙসিসু
থম্মোয়দা লাইমন ওইহৌবে
পূক্লিংসে পোত্থাহন্দবেনে।

থাবল ফববা অহীংসিদা
থানিনগী মাযথোঙ ঙমজবী
নঙগী চেঙলৌ উদবনা
লৈতাদবে ঐগী পুক্সিসে।

মার্চ ৩১, ২০১৩ ইং
নোংমাইজিং, যাওশঙ লোইবা নুমিৎ, নুমিদাংৱাইবম

তান্নবা লমদমদা লৈখ্রবা

তান্নবা লমদমদা লৈখববা
চেল্লাগুম নাইতোম পাইখ্রবা
কাউবগে খনবা ঙমজদবা
নীংশিংবনা থোইনা ৱাহল্লেনে।

নীংশিংবা খূদিং থম্মোয় কাযখিবা
থেমজিঞ্জবা ঙমজদবেনে
অহীং নুংথিল অনীমক্তা
ৱাখলগী পোৎলুম পুদুনা লৈবে।

ৱাবৌবা হৈজদ্রবা
থম্মোয়না ঐগী, ঙসিদি
ৱাবৌবা হাযদু ওইবমাল্লে
পিবাং তত্তনা শীঙ্খহল্লেনে।

মার্চ ২৩, ২০১৩ ইং
থাংজ, অম্বুনাল অযূক

কোৱৌ মালেম লৈকোয়পূংসিদা

কোৱৌ মালেম লৈকোয়পূংসিদা
থিক্‌ই ঐনা, নঙবু
অউপ্পা উনা লোংথোক্তুনা
অবোংবা উনাসু উপথদুনা।

লৈবমদ্রে নঙদি মফম কৈদসু
থম্মোয় কাযনা হল্লকখি ঐ
নোংদমখোলসু কনমল্লি
পাখঙ ঐগী লাইবকসিদা।

চীংলোন লান্না পাইখ্রববা
অৱাংবা কাইদোং থিখ্রববা
হাদা চেক্লা নুংশিববী
ঐগী থৱাযনা খোয়জংবী।

জানুৱাবী ২২, ২০১৩ ইং
লৈবাকপোকপা, অয়ূক

ঐগী ৱাখল, ঐগী পূক্নিং

ঐগী ৱাখল ঐগী পূক্নিং
ঐগী থৌদাং ঐগী পুন্সি
লাইনীংনি ঐগী নুংশিবা।

নুংশিবনা থূমহৎলবা থম্মোয
অপাম্বনা লাকহৎলবা পূক্নিং
অবেম্বা অমতা ওইবমদবে
নঙগী লাইশোল ঙাক্তনিনে।

তাইবঙসু নুংশিবনা ওইবনি
পুন্সিসু নুংশিবনা শেম্বনি
পূম্নমক নুংশিবা ঙাক্তনি
নুংশিবগী লাইনীংনি ঐগী পুন্সি।

থম্মোযদা ফাওবকপা নুংশিবা
পূক্নিংনা খল্লুবা নুংশিবা
ৱাখলদা লূপ্নুনা লৈবম্বা
পূম্নমক নঙনি , নঙগীদমক্তনিনে।

ফেব্রুৱারী ৩, ২০১৩ ইং
নোংমাইজিং, নোংঙাল্লমদাই

অনৌবা নত্তে নওগী লীচৎতি

অনৌবা নত্তে নওগী লীচৎতি
ঐবু শুমহৎপনা নথৌনি
তাইবঙগী ফজবদা তাংদুনা
ঐবু ঙাওহনবনা নশিননি।

তৌওম্বা নওগী লীচৎসিনা
ঐবু ঙাওহল্লি ফনা ফজনা
নঙবু উদবদা লৈবা ওমদে
নঙতবু লাইনীং ওইবকইনে।

পুক্সিসু নঙগীনি ঐগীদি
নুংঙাইবা, য়াইফবা পুম্বা
লৈত্রবনি নঙগী নখৃত্তা
নঙনা চানবিবা ঐগী লাইবক্লি।

থম্মোয়গী থুপ্লবা কাচিন্দা
নঙতবু লাংলি লোন্না
কনা খঙহন্দা, কনা উহন্দনা
নঙনা খঙবিদ্রদি, কবি ওইকনি।

ফেব্রুৱারী ৩, ২০১৩ ইং
নোংমাইজিং, নোংঙাল্লমদাই

নৈচীল্লকী থাজ

নৈচীল্লকী থাজ, নঙনা
চেপথা চেপথা যেংলিবদি
পৃক্লিংগী মখা পোন্না, ঐনা
মাযথোঙ লোৎলিবা অসিদা
নোক্লবিব্রা নঙনা ঐবু হন্না।

নীংজকব্বা মঙলান্না কাযখ্রবদা
ঐদি লূকক্লনা শাৎচবিবনি
নঙগী থাবলবু মাযোক্লবা ঙমদনা
মাযথোঙ নৈদা লূকথজদুনা
থস্মোযগী মৈচাক খাঙজবিব্রনি।

খাঙঙমদবা ব্রাখলগী নোংজুলক্তা
থস্মোযগী অবোনবা যোঙজবি
কনা খঙহন্দা, কনা উহন্দনা
ইবোমদোম পৃক্লিং যাংজনবা
পুন্সি হিদেন তোর্ব্বানসিদা ফমদুনা।

ফেব্রুরাবী ৪, ২০১৩ ইং
নৈবাকপোকপা, নোংঙাল্লমদাই

লৃরুক্লবা নঙগী মীৎয়েং

লৃকক্লবা নঙগী মীৎয়েং
কাউবগে খল্লুবা মঙমজদে।

কবি রাখল খন্দুনা, নঙনা
অসুম্না ঐঙোন্দা য়েংবিবল্লিবা
রাখল ঐগী ফুম্নংনৈনে
পৃক্লিং ঐগী ঈবাং লাওইনে।

চমজববী ঐগী পৃক্লিংসে
মওন মওন খলহল্লি, নঙনা
কবি লাইরাবু হৈবনোনে
কবিগী ঐবু ঙাওহল্লিবা?

খঙলক্লবসু থনুংবুংগী যারাদো
রাবৌজববোই ঐগী থম্মোযনা
কবম্বা মীৎযেংনা নঙগী
ঐবু অসুম্না যেংবিবল্লিবা?

ফেব্রুরারী ১০, ২০১৩ ইং
নোংমাইজিং, অঙনবা অয়ূক

কাযনবগী অৱাবা মৈচাক্তি

কায়নবগী অৱাবা মৈচাক্তি
কাযনবিবা ঐতনা খঙবনি
নুংশিরুবা ঐতগী ইবালনি
নুংশি খঙদবী মানদি
কদাযদগী খঙলুনি হাযবগে?

থম্মোয পান্দবী কন্নাগী
নুংশি ঈখৌ লাংলুবনা
ঐতনা ৱাজবা তাববনি
মাগীদি তোঙানবা ৱাবীনি
মাযথোঙ যাম্বী লৈবাংনিনা।

অৱাংবা পামেলগী লৈবাংনি
অৱাংবা ৱাখলগী থম্মোযনি
মিনুংশি মচেং'মা পক্লুবনা
শমায লৈদুনা চংখিবনি
ঐগী নুংশিববু মীবাযবিবন্নগা।

দিসেম্বব ৩০, ২০১২ ইং
নোংমাইজিং, অহীং অথেঙবা

ইঙাগী অতিয়াদা পাইরিবা

ইঙাগী অতিয়াদা পাইবিবা
নোংহৌ পুবা মুব' লৈচীল
ঙাইথো ঙাইহাক চান্নবী
পুবিথো ঐগী ইপাউসে
মীৎলু পিবাংগা লোযননা।

য়াম্না যাঙনা পাইখিদুনা
তাককো লৈকোলদুগী শুমাঙদা
অখাক অবাওগা লোয়ননা
নীংঙাইদনা তূন্নিবা মহাক্কী।

খঙসনু মাসু ঐগী মৈচাকসে
নীংশিংদুনা নোংজুগী অহীংদো
মাগা ঐগা নোংমা উনখিবা
ঙসিনা ঐনা তূমদনা খাঙলি
মাবু নীংশিং নীংশিংলদুনা
থশ্মোযবু থেমজিঞ্জবা ঙমজদনা।

জুলাই ১২, ২০১৩ ইং
ইবাই, নোংঙাল্লমদাই

মীৎয়েংদুগী শুমহৎয়াইদুদা

মীৎয়েংদুগী শুমহৎযাইদুদা, নঙগী
থরায হকচাং পূক্লিং ব্রাখল পূম্বা
পূমশুম শুমবিখ্রে ঐবুদি নঙনা
যাই চাববা লৈম্লেগুম, ইকগী।

ঈচেল লেপ্পবা তুবেল তোর্বান্দুদা
ফমদুনা যেংথকই ঈকগী খোংনুংদা
ঙাওবম্মী ঐসু তাউবিবা লৈম্লেগুম
লৌশিং-জ্ঞান লোইনা চীকমাঙনদুনা।

লৌশিং জ্ঞান তাবকপা মতমদুদদি
ওইবল্লে নঙদি শাগৈগী মৌ
যূম্লাক শাগৈ হোংলকপা কুইদ্রিবী
লৈকাযসিদা, শাইনোন যেপ্পা থুংদ্রিবী।

ওক্টোবর ২, ২০১৩ ইং
যূমশকৈশা, নুমিদাংব্রাইবম

চীংখৈ নওগী ৱারী

চীংখৈ নওগী ৱাবী খওখিবনি
নোংমদোন অতিয়ানা ময়েক শেংনা।

নোংঙাল্লমদাই ফিদূপ হুল্লকপা মতম
ওঙ্ৰাম্নবা মচুনা শীঙ্গুং চাইবকপা
নওগী অবোন-অথূপ কয়াদো
চীখদনা মানা, তাইবঙ-লোনচৎসু।

লোইবা নাইদ্ৰবা পুন্সি খোঙচৎ
অৱা-নুংঙাই তাংকক কয়াগী
ওন্নমক খওবনি নওগী ৱাবী
কোবৌ নুমিৎ খূদিংগী ওইবিবা ফীভম।

কবিবু লোৎকে খল্লিবা মঙোন্দগী
কবিবু থূপ্না থমগে খল্লিবা
খওখিবা ৱাফমদো মানদি ফোঙদে
থম্মোয়নুংদা থল্লি লোত্তুনা মানসু।

ওক্টোবৰ ৪, ২০১৩ ইং
ইবাই, নুংথিল

শজিবু থানা লাকপসিদা

শজিবু থানা লাকপসিদা
কুমগী নোংখোঙসু ফূইবক্রে
অখাক-অবাও মবকসিদা
নোংথাঙনা জগোয শাবক্রেনে।

থম্মোয ঐগীসু লাঙতক্লবে
লাক্রো লাক্রো চান্নবা
ঐগী ইনাক্তা লাক্রোগবা
অকি-তুজুংবা ফাওবক্রেনে।

লাযবৈ খাংপোক অপীখক
অকনবা মালঙ শাফূসিনা
যাঙলেন হুমদুনা পুথোকপিখ্রে
ফমুংদা তূন্লিবা ইচাসু চোৎলে।

মীৎকী কক্লা উইদনা
ইনুং ঙানবা ঙাইদুনা
নঙগী মাযকৈ যেংবদা
মীৎফম তাবে ঐহাক্তি।

এপ্রিল ১৫, ২০১৩ ইং
নিংথৌকাবা, অহীং অথেঙবা

নোংলেন নোংখোঙসু ফূইরক্রে

নোংলেন নোংখোঙসু ফূইবক্রে
নোংলৈ নুংশিৎ ইবোয়ননা
শজিবু থাগী থাজিনসিদা
অমঙবা নোংগী মপৈ লোয়ননা।

কবম্লবু লেল্লিগবা, চান্নবা
কদায়দবু লৈবিগবা নঙবো
নপাউসু তাখিদবা কুইবে
চিঠি পাউসু লাকখিদবে।

থম্মোয়সেঐগী তনীক্রেনে
ইথৌদা পূক্রিং চঙঙমদবে
অবা হুইজোং লাংলববনে
নুজাগী থম্মোয় খোযবাংলেনে।

মার্চ ২৩, ২০১৩ ইং
থ্যাংজ, অঙনবা অযূক

পুন্সিগী মকপনি খল্লুদুনা

পুন্সিগী মকপনি খল্লুদুনা
লৈজবা পূন্না কৎথোক্লুবা
অপান্বা ফংলগা মিবাযবিবা
অনীংবা থুংলগা নাথৈখিবা
'সিবো মীওইবৈ লীচৎ হাযদুবনে।

থাজকবনা নমথাক চাহৌবে
নুংশিকবা ঐতনা মৈচাক খাঙহৌবে
কাযনা মৈনা ওমদুনা চাক্লে
অপাম-নুংশি মৈবীলক্তা
মৈবানবী ওইদুনা পিখম্নখ্রোবা'

নঙগী শক্তম্না থল্লবা লকা
নঙবু নুংশিজকবা থম্মোয
নঙগী রাখল খল্লিবা পূক্লিং
খণ্ডনা খণ্ডনা খণ্ডশিন্নদনা
ইবালতমক শীবিবল্লগেবনে'

জুলাই ১৫, ২০১৩ ইং
নিংথৌকাবা, নুমিদাং অথেঙবা

নোংজুনা চান্নবা শেংলবা অতিয়া

নোংজুনা চান্নবা শেংলবা অতিয়া
মেবা থাগী থাবল হায়নবা
থাজনা মপূং ফানা থোক্লিবা
নীংশিংলি ঙসিসু মতমদুগী রাবী।

থাবলনা ককচেং চৎপা উববা
পম্বৌগী মাঙোল খেঙোংলাংদা
নুবা-পাখঙশিংনা কোয়না ফম
শান্নখিবা লিকোল মতমদুগী
লিকোল হায়নবগী অরায়-অখূম
তাবি ঙসিসু নাম্নদা চীক্লা।

পামজনা থেংপিবম্বা তখৈল্লে নাচোম
লৈবি মোলাংখাদা কংনা থম্লি
নঙগী নীংশিং খূদোলনি নুংশিবগী
লৈপোপ কায়দ্রি, লৈনা শেংতে
লৈনমসু য়াওবি ঙসিসু চিগোংলৈগী।

ওক্টোবর ১৬, ২০১৩ ইং
য়ূমশকৈশা, অহীং অথেঙবা

করিনুংগী উনজরুবা

কবিনুংগী উনজকবা
কবিনুংগী খঙনজকবা।

নঙগা মীৎচানকবা মীৎকৃপ্তুগী
ঐসে ঐগী ওইবমদবেনে
কবি লাইরা হৈবনো নঙবো
কবি মহৈ পুবনো নঙবো।

মীশুম হৈবী নঙগী মীনোক
হাইনোক তৌবা নঙগী মীৎযেং
থম্মোযসে ঐগী হূবিখবেনে
থরাযসিসু ননাক্তা যৌখবেনে।

নীংশিংলুবা মীৎকৃপ্তুদা
ননাক্তা হেক্তা যৌখবে
তাইবঙ শক্লোন পুবিবী নঙবো
কল্লি কল্লি নঙগী মযাই।

জুলাই ৫, ২০১৩ ইং
ইবাই, নুমিদাং অথেঙবা

চাংয়েং নুংশিবগী চাংয়েং

চাংয়েং চাংয়েং নুংশিবগী চাংয়েং
কয়াবক হন্না য়েংখিগে হায়বনো
নঙগী চাংয়েং খুদিংমক্তা
ঐবুদি মৈচাক মৈবাযহল্লিনে।

থাজনবগী যুম্ফমনি নুংশিবা
লৌনম নমথাক চঙদবনি
নঙগী ওইবা চাংয়েং লীচৎসিনা
ঐবুদি কপহল্লি থেঙলবা অহীংসিদা।

নুংশিজক্কবনা ঈবাল ওইববা
নুপীজা থম্মোযনা নীংঙল্লক্তে
থম্মোয় মশক খঙদ্রিদৈদা
নুংশিকবনা হাল্লুবেনে, নঙবু।

মে ২৯, ২০১৩ ইং
য়ুমশকৈশা, অহীং অথেঙবা

চহীগী অনৌবা নোংহৌসিদা

চহীগী অনৌবা নোংহৌসিদা
কাল্লেন কুমদম লাকপসিদা
লাক্লো লাক্লো চান্নবা নঙবো
ঐগী থম্মোয় লৈকোলসিদা।

শাৎলে ঙসিদি থম্মোয লৈবাং
লৈকা ফন্না ঐগী লৈকোলদা
চেল্লে লৈহীনা চোন্না
তনীক তনীক খাঙলে ইকাযনা।

পাইবক্লো চান্নবা নঙবো
খোইমুগী শক্তম লৌবদুনা
ঐগী লৈকোল লৈপান্দা
তোংলবো লৈবাং খৃদিংদা।

থম্মোয লকানুং পেঞ্জবগে
নঙগী নুংশিবা খোঞ্জেলদুনা
তাবগা গুন-গুন ঙংবদো
পৃক্লিংগী যাৱা ফোঙলদুনা।

মে ২৯, ২০১৩ ইং
যৃমশকৈশা, অঙনবা অয়ৃক

নুংশি অমুক্তং হায়রম্মু

নুংশি অমুক্তং হায়বম্মু
তবাববী নঙগী চীনবানদুনা
মোমোন অমুক্তং নোক্লম্মু
শুমহৎযাই পুবী মীৎম্নাদুনা।

নুংশিজৈ ঐনা নঙবুদি
পামজকই ঐনা শকহেনবী
য়েংদুনতা লৈজনীংই নঙবু
পামজৈ নুংশিজৈ থম্মোযনা।

য়েংলুই লৈদুনা তাইবঙসে
ফজবৈ ফজবা ওাক্তা উই
শন্নাংদুগী চেঙহী মনম
মায়থোঙদুগী বাশি মবৈ
পাখঙ ঐদি ককঙাওনবেনে।

মে ১৭, ২০১৩ ইং
ইবাই, অঙনবা অযূক

খল্লু খল্লু খৃদিংমক্তা

খল্লু খল্লুবা খৃদিংমক্তা
নীংজকবা মায়কৈ খৃদিংদা
ঐগী ওইবা থম্মোযসিনা
কবিগীনো খঙদে নীংঙমদ্রিবা।

তোম্বুদুনতা লৈবক্লবা ঐনি
নুংশি কাদসু তোল্লবনি
পুক্সিদা ঐগী ঙসিসু
নীংবা কাযনা লেম্লক্লি।

নুংঙাইবগী মঙলান্দা ঐনা
শাগৎচবম্বা ব্রাখল কযাদো
মঙদা মঙশুম মাঙখবে
থম্মোযদা মৈচাক হাপ্লম্লেনে।

ব্রাখল ঐগী ফুম্বংনবে
হুন্দোকপিবম্লে ঐবুদি নঙনা
তাঙ্গোয তানবা ব্রামৈনুংদা
কায়না মৈচাক্লা মৈরায়বকপদা।

মার্চ ৩১, ২০১৩ ইং
নোংমাইজিং, যাওশঙ্ব লোইবা নুমিৎ, নুংথিল

নুংশিবদা ঐদি ঙাওরে

নুংশিবদা ঐদি ঙাওবে ঙাওবে
কাযনা মৈনা ঐদি চাক্লে চাক্লে।

নুংশিজক্কবা থম্মোয়দি ব্রাজবে
পামজক্কবা ঐদি মৈশা লাংলে
পাখঙ থম্মোয় খঙবিদনা নঙনা
মশোঙ লযদুনা চৎখিবসিদা।

থাজকদে অসুম্না চৎখিগনি হাযবা
খল্লুদে কায়নগনি হায়নসু
পুক্সিদা হন্দক মপোকসিদা
নঙগী ঐগী নুংশিগী লম্বীদা।

লম্ফাঙলবা তাইবঙ লোনচৎনি
খন্দুনা থম্মোয থেমজিঞ্জবগে
অব্রাবা কোঙ্গায় খাঙলবসু
ইবান্নংনি খন্দুনা লেঞ্জবগেনে।

নবেম্বর ১০, ২০১২ ইং
থাংজ, অহীং অথেঙবা

চান্নবী নঙবো তারোনে

চান্নবী নঙবো তাবোনে
ঐদি পূমঙাও ঙাওবেনে।

ঙসি কোবৌ নুমিত্তা
খল্লুই মাগী ৱাখল
ৱাখলসে কবম্নো কঙাওনবেনে।

মালঙ ইপোমদা তাউবে
ঈথক ঈবাংদা লূপ্লে
থম্মোযসে পাবে পাবে
নুংশি মাগী ৱাখলদা।

ৱাখল ঐগী কঙাওনবে
ইথৌদা পূক্লিং চঙঙমদবে
কবম্না পুন্সিসে লেল্লসিগে
থৌদাংনা যাম্না তাইবঙসিদা।

ওগষ্ট ১৪, ২০১৩ ইং
যূমশকৈশা, অঙনবা অয়ূক

নুংশিজরুবা নঙগী শক্তমদো

নুংশিজরুবা নঙগী শক্তমদো
উদুনতা লৈবে মীৎমাঙসিদা।

কাউবগে খল্লুবা মীৎকৃপ্তুদা
থোইনা হেন্না নীংশিংলকইনে নঙবু
নুংশিবগী লোনচৎসু তাইবঙদা
অসুম্না অসুম তৌবা হৌনবোই।

মতম্না হৌত্র হৌথ্রগা অদুম
হেন্না থোইনা ময়েক শেংলকইনে
থুংনখিদ্রবা নঙগী ঐগী নুংশিবা
থম্মোয়দা খোইজাক ওইদুনা লৈবে।

অরা-নুংঙাই অনীমক্তা
খল্লিনে ঐদি নঙগী রাখল
খল্লবোই হায়বা শুকঙম ঙমজদে
'সিবু কবি নোংদমখোন্নেনে।

মার্চ ২, ২০১৩ ইং
থাংজ, অহীং অথেঙবা

খল্লুরিবা ৱাখলদুনা

খল্লুবিবা ৱাখলদুনা
পোত্থাহন্দে অহীং চূপ্পা
নীংলবোই খল্লুই নীংঙল্লক্তে
হৌখ্রবা নুংশিগী শৈহৌদো।

পাম্মুই পাম্মুই হল্লক্লবোই
নীংশিং নীংশিং ৱাহল্লেনে
নঙগী ঐগী হৌখ্রবা পুক্সিদো
মীৎমাঙদা মমি-শামি উবকইনে।

নুংশি চান্নবা মীৎযেংদুনা
ঐবু নুংশিনা যেংলকখিবদো
খোই খোই তেঙ্গা থোংনা
নুজাগী থম্মোযদা পানখিবদো।

ওগষ্ট ১১, ২০১৩ ইং
নোংমাইজিং, অঙনবা অযূক

নোংহৌ নওনা লাকপসিদা

নোংহৌ নওনা লাকপসিদা
নুজাগী থম্মোয়সে খোয়বাংইনে।

রাখল ঐগী ইবাং লাওলে
পূক্লিংসু ঐগী নৈতাদবে
কবম্লবু লেল্লিগবা
কবম্লবু পাল্লিগবা
খল্লুবদা ঐনা ওসিদি।

নুংশিজবী থম্মোযনা খোয়দাজবীনা
ননাক্তা লেঙদনা লৈববনিনা
খল্লন্নবোই নওদি ঐগী রাখল
নীংশিংলন্নবোই ঐবুদি নওনা।

তাইবঙগী হৌনশা লোনচৎনি
খল্লগা অসুম্না কাউবগে
থৌদোকশিংদো অদুঙৈগী
অদুবু য়াদে, নীংশিংলকই হন্না
মদুনা হেন্না ঐবুদি রাহল্লেনে।

মে ২৯, ২০১৩ ইং
য়ূমশকৈশা, অঙনবা অয়ূক

নঙগী ঐগী নুংশি ৱারী

নঙগী ঐগী নুংশি ৱাবী
ৱাকচিংগী নোংহৌগুম মংলম্বা
তাবমদনা চীকমাঙনখিবগুম
মঙলানগী মঙগুম চীকমাঙনখ্রে।

তাবমদাই থাজনা নৈচীল্লক্তা লোৎখিগুম
শাগৎচবম্বা মঙলান ফুবা কযাসু
মঙদা মঙগুম চীকমাঙনখবে
মশেক মঙাল থল্লমদনা
থাশিগী অহীংগুম মমখবেনে।

ওইবক্কনি খল্লম্বা পূর্ণিমা থানিন
অমঙবা নোংলক্তা লোৎশিনখবে
হাইফেৎ নোক্লম্বা নুজাগী মিনোক
ৱাখলগী পোৎলুম্না ননশিনখবে
ওইথোক্লবোই ঐগীদি পূর্ণিমা হাযবদো
নুংশিগী লম্বীদা ঐগী তাইবঙদা।

ওক্টোবর ১১, ২০১৩ ইং
নিংথৌকাবা, নোংঙাল্লমদাই

চীক্লা মাঙখি হায়বগী

চীক্লা মাঙখি হায়বগী
চীকমাঙনবা কৌবনি
হৈখবেদকো ইবুংঙো
মশক লোৎপা তৌঙম্বা-ও।

চেক্লোচাদি নোঙ্গৌবীগুম
রাকচিংগী নোংলেনদবু ঙাইবদি
হাইফেৎ মংলম্বা নোংহৌদো
চীকমাঙনখি খঙহৌদনা।

লাক্লবোই নীংলম্বা রাখলদুসু
খাঙঙুথক্তা চীকমাঙনখি
থম্মোয়দা মৈচাক হাপ্লম্লগা
চীক্লা মাঙখিবা ইবুংঙো
তৌবা ঙম্বা শকলোৎপা-ও।

ওক্টোবর ১১, ২০১৩ ইং
নিংথৌকাবা, নোংঙাল্লমদাই

তাইবঙ কৈথেল ময়ায়সিদা

তাইবঙ কৈথেল ময়ায়সিদা
ওলাং মৈশা খাঙননবা
নুংশিজক্বা ওইবন্নেনে
নুজা নঙবু নুংশিজক্বসে।

অপাম নুংশি কল্লক মৈশা
মতম ফনা চাক্লক্লিনে
কুইব-কুইবগা কায়নখিবা
হৌজিক্তা নৌহৌননা মৈশা লাংলি।

নুংশিগী ময়াইসু কল্লি কল্লি
উকদবে উনীংবনা ঙাওই
উববোই খঙলবসু খাঙঙমজদে
চেংলৌ হেনবী নুজাগী মায়থোঙ
কাউবগে খনবসু কাউঙমজদে।

ওক্টোবর ২১, ২০১৩ ইং
নিংথৌকাবা, নোংঙাল্লমদাই

ঐগী থম্মোয় ঐগী পূক্লিং

ঐগী থম্মোয় ঐগী পূক্লিং
লাঙ্গোয় চল্লে নুংশিবনা
ঈথক ইপোম্না থম্মোয় পাবে
রাখল ঐগী কণ্ডাওনবে।

মেঙল' থাবল অথেঙবা অহীংগী
ইবাং লাঙহল্লে পূক্লিং ঐগীসু
থাবল্লে লৈনম্না মাযকৈ শীল্লে
পূক্লিং ঐগীসু ঈথক হৌবে।

ইচীক হুল্লবা থাবলসিদা
কোকিল খোঞ্জেল তাকবদি
পূক্লিং ঐগী লৈতাদবেনে
শক্তমদো নুংশিগী নীংশিংলক্লে।

ফেব্রুরারী ১৪, ২০১৩ ইং
শগোলশেল, নোংঙাল্লমদাই

ব্রাখলসে ঐগী কণ্ডাওনরে

ব্রাখলসে ঐগী কণ্ডাওনবে
পুন্সিসু ঐগী লৈতাদবে।

খল্লুবা খূদিংনা খোযবাঙহল্লে
নীংশিংবা খূদিংনা লাঙতক্লহল্লে
হৌখিবা নুংশিগী থৌদোক কযা
লেপ্লবে মীৎমাঙদা মমি শামি।

কাযনখিবসু কুইবে নঙগা ঐগা
নীংশিংবনা নৌথোকহল্লি পূক্লিং
মমি শামখ্রবা শক্তমশিংদো
লেপ্লবে মীৎমাঙদা মমি শামি।

পঙ্খুংখিদ্রবা নঙগী ঐগী নুংশিবা
লাইমন ওইনা লৈহৌবে থম্মোযদা
কাউবগে খল্লুবসু কাউণ্ডমদবে
পুন্সিসু ঐগী লৈতাদবে।

মার্চ ১, ২০১৩ ইং
ইবাই, অঙনবা অযূক

মীনোক্তুগী মৈচাক্তুনি

মীনোক্তুগী মৈচাক্তুনি
থম্মোয়দা চৈনা পীবন্নিবা।

হৈনম লৈনম্না চূববা
মুব' শন্নাংনি ঈথক হৌবিবা
শংবল্লে চেওই মনম্না
মালঙদা ইপোম নাইবিবা।

থন্নায়না তাজনা খল্লবনি
তত্তনা লাক্লীংই ননাক্তা
হাইগৎচনীংই খূৎশাসিনা
মাযথোঙবু খুন্নিবা শন্নাংদো।

যেংজনীংই মায়থোঙদো
শন্দুনা বাশি হাপ্লিবা
থাজ থানিন মেবা থাগী
ইকায়না লোৎখিনি লৈচীল্লক্তা।

মার্চ ২৯, ২০১৩ ইং
যুমশকৈশা, অঙনবা অয়ূক

চেক্লা নপাং কায়নখ্রববা

চেক্লা নপাং কাযনখ্রববা
নঙসু ঐগুম্না চান্নবী।

হৌখিবা বসন্তদা নঙনা
লৈকোলগী উশাদা তোংদুনা
চেক্লাই নুংশিববা শৈহেক্তা
কুহু কুহু খোংলম্বদো।

তাখিদবা কুইবে নঙগী শৈহেক
ঐগী লৈকোলে ইহাঙ হাঙলে
লৈপান খূদিং লৈবাং শাৎতবে
থম্মোয ঐগীসু খোযবাংলেনে।

লাক্লো চেক্লা পাইবক্লোনে
ঐগী লৈকোলসে থলহল্লো
নঙগী শৈহেক খোম্থাংনা
তাজবগা পেঞ্জগে পূক্লিংসে।

মার্চ ১২, ২০১৩ ইং
লৈবাকপোকপা, অঙনবা অযূক

য়াওশঙগী থাবল চোংখিদরে

য়াওশঙগী থাবল চোংখিদবে
নঙ য়াওদ্রবা ঐগী পুন্সিদা।

লমদম তাম্না লৈখ্রবা
নাইতোম ওইনা পাইখ্রবা
চেক্লা নঙবু পাইবক্লোনে
কুমগী নোংহৌসু লাক্লেদো।

নুংশিগী শক্তমসু উখিদবা
লোইদাম কুইবে কুইবেদা
চহী কুমওন লাক্লেনে
লমতাই য়াওশঙ যৌবক্লেদো।

লমতাগী নুংশিং অঙাওবা
মালেম খোন্না শীৎলক্লে
রাখল ঐগী লৈতাদবেনে
চান্নবী নঙবু লাক্লোগবা।

মার্চ ১২, ২০১৩ ইং
লৈবাকপোকপা, নোংঙাল্লমদাই

থম্মোয়না নঙগীসু খঙলিনি

তূম্পক তূম্পক ঙাঙথোবকপা
হাইফেৎ নোকফেৎ যেংথোবকপা
নঙগী মীৎযেং নঙগী নৱাহৈনা
থম্মোয়সে পূমশুম শুমবিখ্রেনে
থম্মোযনা নঙগীসু খঙলিনি?

নহাল নোংমা উনবদসু
ৱাদি ঙাঙলমদনা যেংদা যেংলম
তূমিন তূমিন্না লযদুনা চৎখিবা
খলহৌবনি ঐতন্না নঙগী ৱাখল
থম্মোযনা নঙগীসু খঙলিনি?

মেবাগী পূর্ণিমা জগোয যেংফম
লাপুক-লাপুক হাইফেৎ উখি
যেংথোকখিবদা মীৎচান্নকুই
যেংহৌবনি ঐনদি নঙগী মাযথোঙদো
থম্মোযনা নঙগীসু খঙলিনি?

ওক্টোবব ২৯, ২০১৩ ইং
শগোলশেল, নোংঙাল্লমদাই

ঐবু করি ওইরসিগে

ঐবু কবি ওইবসিগে
থম্মোয় ঐগী হৃবিখিবা
খাঙঙমদবে কাযনা মৈচাক
নঙনা শমায় লৈখ্রবসিদা।

ঈশিং কংলবা পৃখ্রিদুগী
লেম্লৈদুনি ঐগী থবায
কম্বীথকী লেম্লৈগুমলে
ঐগী হকচাং ঐগী থবায।

ওলাং মৈশা লাংলে
তাইবঙসু মঙলানগুম্লে
পুন্সিসু পুন্সিনি খন্দবে
হিংলি হাযবদা মঙাযবেনে।

নঙ যাওদ্রবা ঐগী পুন্সি
খাঙঙুথক্তা কেম্লগনি
হিংলুবগী কবি কান্নকনি
তাইবঙদা ঐনা নীংবা কাযনা।

নবেম্বব ২৫, ২০১৩ ইং
নোংমাইজিং, অহীং অথেঙবা

নঙগী ৱাঙাঙনা ঐবু ৱাহল্লি

নঙগী ৱাঙাঙনা ঐবু ৱাহল্লি
নঙগী নৱাহৈদুনা ঐবু কপহল্লি
নঙগী লীচৎনা ঐবু পোখাহন্দে
অসুম্না অসুম লেল্লগদ্রা ঐবো?

কপ্পনা ঐগী ইশিঞ্জাংনি
থম্মোয়সে থেমজিনবা ঙমদ্রে
মীমাঙদা ইকাযবসু কযানি
নঙনা ঐঙোন্দা পীবখিবা।

থম্মোযদা থম্মোযনা হংলি
'সিবু কৌববা নুংশিবৈ মযাই
অৱাবনা পল্লেপফম খঙহন্দে
'সিবু কৌববা তাইবঙ পুন্সি'?

জানুৱাবী ৪, ২০১৩ ইং
ইবাই, নোংঙাল্লমদাই

অতিয়াদা থোক্লিবা থাজ

অতিযাদা থোক্লিবা থাজ
নঙগী মায়থোঙদা কাবিবা মায়হীং
বাশি হাপ্পি হাযনৈদো।

মেবা থাগী থানিন
মকোয় মান্নবা থাজদো
নুজাগী ফজবা মায়থোঙগা
চাংদম্নবি অশৈবশিংনা।

অনৌবা যুগকী অনৌবা শৈবোল
অমম্বা নোংগী মপৈসিনা
থাজগী মাযথোঙ খনজিনবিগ্রে
মুব' শম্লাংনা চোইজাইনবকপসিদা।

যেংজনীংবা মীৎযেংগী লম্বী
ইবায লাযনা থৎপিখবে
হাইগৎচনীংবা খূৎশাসিনা
ঙমজদবে নোংলৈগী শাফ্সিদা।

নবেম্বর ৭, ২০১৩ ইং
শগোলশেল, অঙনবা অয়ূক

খঙমন্না খঙবিদে ঐগী নুংশিবা

খঙমন্না খঙবিদে ঐগী নুংশিবা
হাকমল্লি নঙগী থম্মোযদো তশেংনা
যৌদু নূংনা শাববা নঙগী থম্মোযদো
মীওইবৈ চৎনলোন খঙবিদ্রবা নঙনি
ঐগী থম্মোযদি হাযফম খঙদনা ৱারে
নুংশিজকবসু খঙবিদ্রবদা, তশেংনা।

ইকায খঙদবীনি হাযখিনি খন্দুনা
কন্নাদসু ফোঙদোকপা ঙমদবে ঐদি
পুক্নিগী ঈচেলসিনা কংল' ফাওবদা
নঙোন্দসু ফোঙলবোই কৈদৌনুং ঐদি
খঙবিবা ঙম্লবোইদৌবা নুংগী থম্মোযদুদা
অশোনবা উৎলবোই নুপীজাগী পৃক্লিংসু।

খঙহল্লন্নগে তাইবঙপৃম্বদা ঐগী থম্মোয
নুপাদনা ঙম্বগুম থওইদবদো ঐসু
ঙম্মী হায়বদুদি মযেক শেংনা উৎলন্নগে
নুপীসু মীনি থম্মোয পাল্লিবা
অৱাবা নুংঙাইবা নুংশিবা খঙলিবা
থৱায পানবনি হাযবসে তশেংনা।

নবেম্বর ২০, ২০১৩ ইং
যূমশকৈশা, হিন্দী পরিষদ, নুংথিল

নুংশিগী অহানবা শৈহৌদুদা

নুংশিগী অহানবা শৈহৌদুদা
উজখিবা শক্তম নুংশিবদো
কাউবা লৈতে মীৎকূপ খূদিং
পুন্সিগী তোবৈ খূদিংমক্তুদা
নওংগা ঐগা লেনমিন্নখিবদো।

নীংশিংবনা কবিগুরুদা কপহল্লি
খল্লুবগা থোইনা হেন্না ৱাহল্লি
হৌখিবা নোং জুগী অহীংদো
পূক্লিং থম্মোয় শিন্নখিবদো
কাউবা ঙমদ্রে পূংজা খূদিং।

অহীং খূদিং পোথাহন্দ্রে
ঐগী থম্মোয ঐগী পূক্লিং
পূমথন থল্লে নওতগী ৱাখলনা
লৈতাহন্দ্রে ঐগী পূক্লিংসিসু
অসুম্না অসুম লেল্লোবা ঐবু?

জানুৱারী ১৬, ২০১৩ ইং
শগোলশেল, নুংথিল

হো তগুপ তরং ঙাল্লিবা থব্রান

হো তগুপ তবং ঙাল্লিবা থব্রান
নখোযদি উবিনি খঙলিনি
মানা লৈকোলদগী থোকখিবদো
ঐবু উহন খঙহল্লমদনা।

ঙাইবম্বনি মতম কুইনদগী
মাবু ঐনা লৈকোলসিদা
লাকখিদবে খন খোযবাংদুনা
ঙাইহাক লৈথোক্লুবে ফমদুনা।

হো কোকিল নঙসু উবমগনি
উশাদা তোংদুনা নঙনা খোংলিঙৈ
মানা লৈকোন্দা চঙলম্বদো
ঐবু উহন-খঙহল্লমদনা।

চংখবে মাদি নীংঙাইবা লৈতনা
ঐগী নুংশিববু মীবাযবদুনা
লংশিনবিবল্লে ঐবুদি মৈবীলক্তা
তাঙ্গোয ওইনা চাকথেকহৌনবা।

ফেব্রুব্রাবী ২৩, ২০১৩ ইং
লৈবাকপোকপা, নুংথিল

করিগীনো নঙনা পুন্নিববো

কবিগীনো নঙনা পুন্নিববো
রাখলদুগী লংলানা ঐবু চেৎনা
থদৎলগে খল্লবসু ঐনদি
থদৎপা ঙমদবে নুংশিগী লীপুনসে
ফনসু লাইমা কল্লি কল্লি।

থাবল ফববা অহীং খুদিংদা
নীংঙাইদনা তুমজবম্বীনি ঐদি
হৌদোকপিবৈ তোযনা কৌদুনা নঙনা
শান্নসি হায়না মঙলানগী লৈকোনদা
লৈঙোয শেক্তোদা যুম শাবী।

খাঙজবম্বনি ঐনদি ফনসু কন্না
মঙলানগা তাইবঙগা রাংমা-রাংমনি
ঙমজবোই তাইবঙ থাদোকপা ঐদি
হিংজখিগে তাইবঙসিদা খোইবেন য়ৌনা
তৌজবমখিগে সেবা মীওইবা জাতিগী।

এপ্রিল ১৫, ২০১৩ ইং
নিংথৌকা, অঙনবা অয়ূক

নঙগী ৱাখলদা ঐনা হিংলি

নঙগী ৱাখলদা ঐনা হিংলি
নুংশিগী মঙলান্দুদা ঐনা ঙাওবি।

মঙলান্দুগী পুন্সিনি ঐগীদি
খঙবিদে নঙনদি ঙসি ফাওবদা
তাইবঙসু ঐগীদি মঙলানদুমক্কি
নঙগী যাইফবতমক নিজবিবা।

কবিগুরুদা ঐদি কপ্পি
অমুকসু কবিগুরুদা নোক্কি
কপ্পা নোকপা অৱায - অখুমনি
লীচৎসিনা ওইবিবা ঐগী পুন্সিনি।

মতম অমদা নঙনা খঙবিবক্রবা
ঐগী অৱাবা মৈচাকসে নুংশিবগী
খনগনি মপোকসু ঐগী
মহৈ যাল্লবনি, যাইফববনি।

ফেব্রুৱারী ২৮, ২০১৩ ইং
শগোলশেল, নোংঙাল্লমদাই

ঐদি নঙবু কাউবা ঙমদে

ঐদি নঙবু কাউবা ঙমদে
নঙদি ঐবু কাউথ্রববনে
অহীং নুংথিল অনীমক্তা
নীংশিংবনা ঐবুদি ওৎলি
কাউবগে খল্লুবা মীৎকৃপ্তুদা
নঙবু হন্না নীংশিংল্লকই।

তাইবঙ থম্মোযদি, ঙসি
নুংশিবৈ ঈবীক পক্তবে
থম্মোয়না থম্মোযবু খঙদবে
পুক্নিনা পুক্নিবু কাউনবে
থম্মোযদো নুংগুম কনখবেদা।

থম্মোযগী মৈচাক হাপ্লবে
খল্লুবদা ঐতনা রাজবে
হিংবদা রাবে ঐহাক্তি
তাইবঙ শিঙ্খা পাঙলমদনা
হনখিবা তাবব্রনে ইযৃমদুদা।

দিসেম্বর ২৯, ২০১৩ ইং
থাংজ, অঙনবা অয়ূক

থম্মোয় ঐগী লমহেনবী

থম্মোয ঐগী লমহেনবী
খোযবাং খোযশাওনবনুনে।

লাক্লে যেংউ বসন্ত হাযবদো
মালেম পৃন্না মালহৌনবে
হৈপাল লৈপাল খিবিকসু
অনৌবা যেন্নীংনা ঙাঙ্‌গ্নবক্লে।

কোকিলসু খোংলক্লনি
হৈনৌ মপালসু শাংলক্লে
ঙাইখো তপথখোনে নঙবো
পৃক্লিং ঐগী তথকপী-ও।

লৈবাং খিবিকসু ফৃগাইনা শাংলে
লৈনম্মা পৃক্লিং হূববনি
নামিবা মালযানা হুন্নকপদা
খোইমু মাসু পাইবক্লনিদা।

ফেব্রুৱাৰী ২৬, ২০১৩ ইং
লৈবাকপোকপা, অহীং অথেঙবা

খল্লবোই নওগী ৱাখল

খল্লবোই নওগী ৱাখল
খল্লবোই খল্লবোই খল্লবোই
পুন্সিদা লাইমন ওইদনবা
পূক্লিংনা পোৎলূম পুদনবা।

অনৌবা ৱাখলগী মঙালদা
হিংলগে পূক্লিংসে নুংঙাইনা
পুববোই অৱাবৈ পোৎলূমসু
লেল্লবোই অমুক নীংবা কাযনা।

থাদোক্লুনা নীংঙমদবা ৱাখল
থিকবগে থৌনাগী মঙাল
হিংবগী ৱাহম্লোক লৈননবা
তল্লগে পূক্লিংসে নুংঙাইবা।

অনৌবা থৌনাগী মঙালদা
হিংলগে ঐগী পুন্সিসে
অবেন্থনি নওগী ৱাখল
ফংলবোইদবা, মপোকসিদা।

দিসেম্বর ২৮, ২০১৩ ইং
ইবাই, নুংথিল বস মনুং

শৈথারোল

পলেম পম্থৌ নোঙ্গাখ্রবশিং

পলেম পম্থৌ নোঙ্গাখ্রবশিং
লাংবন থাখায়দা নোংগুন্নম্বা
তর্পন হৈচোই চাবম্বশিং
মতমগী মতুং ইন্না ঙসিদি
নোঙ্গা লম্বীদা হল্লববনে?

নচা চানবী থম্মোয়দুনা
য়াইফ মঙ্গল পীবিবম্মু
তাইবঙ পুন্সিনা লোইদ্রিবফাও
ঈংনা-চীক্লা হিংজবা ঙম্লবা
পাঙ্গল থৌনা হাপ্লিবম্মুকো।

অপাম মিথৌনা লাঙ্গোয় চন
অন্না-মৈশা খাঙনা হিংলবসু
হিংনবগী লানফম য়াযদুদগী
মায়বৈনদনা হিংজবা ঙম্লবা
পীনবিবম্মু থৌনা নচা ঐঙোন্দা।

ওক্টোবর ১৩, ২০১২ ইং
থাংজ, অহীং

তুংগী পোলোই য়েংনসি

পেম্মা যেনহৌ ফবী
তুংগী পোলোই য়েংনসি
অসুম্না হায়নবা লৈবনি
অহল লমন হাক্তক্তগী।

অকা অকৃম নাইবা পুন্সিনি
ঙাইহাক্কী ওইবা ৱাখলদা
থম্মোয় কিশি কিখিনু
কোঙ্গোয় থোকপা লুবনি।

অন্ধ-অথেন য়েংদনা
নুংশিবদা যুম্ফম ওইববা
তাইবঙগী পুন্সি লম্বীদা
নীংঙাইদনা হিংবা তম্নম্মু।

মিনুংশিনা থল্লবা থম্মোয়দি
অফবা যাইফবগী তৃংনফমনি
পুন্সি নুংশাং পানবদা
লম্বী খূবৌ থাংদবনিকো।

নবেম্বর ১১, ২০১২ ইং
নোংমাইজিং, অঙনবা অয়ূক

ৱাখল নঙগী চক্রিসে

ৱাখল নঙগী চক্রিসে
ঐবু কবম্না ফাথৌগে
পূক্লিং নঙগী নিংঙাইসে
ঐবু কবম্না থেম্মুগেনে ?

ৱাখলনা অমা খল্লি
পূক্লিংনা অমা নীংই
অফ-ফত্তবা খন্থহৌদে
অপাম অপান্বা তৌনীংলকইবনে।

অপান্বতমক মতৌববা
অনীংবদু পাঙথোকপদা
পুন্সিদা অকাযবা কযানি
খন্থবগী মথৌদি তাবিবনিদো।

থম্মোযগী মখা পোন্না
পূক্লিংগী মতুং ইন্না
অফবা যাইফনবা খন্দুনা
পোবম কযাৎ যাৎলমখোনে।

নবেম্বর ১৫, ২০১২ ইং
নোংমাইজিং, অঙনবা অযূক

নুংশিবনা মহী চেপ্লোক্লবা

নুংশিবনা মহী চেপ্লোক্লবা
হাওলবা থম্মোযগী লম্বীদুদা
থম্মোয খুদিং ফাওদুনা
চৎচনীংবনি পুন্সি চুপ্পা।

তিংখং তুম্বৌ হৌদ্রবা
অপনবা লৈত্রবা লম্বীদুদা
পুন্সি লৈকায কোয়জনীংবনি
নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা।

থম্মোযনা থম্মোযবু মশক খঙনা
অমনা অমবু নমথবা তোক্তুনা
তুহৎ নৈহৎপিবা তৌদ্রবদি
তাইবঙদা যাইফবা পুবক্লনিদা।

নুংশি চান্নবদগী হেনবা অমা
তাইবঙদা লৈত্রবনি অথোইবা লম্বী
লম্বীদুদা চৎচবা ঙম্ননবা
হোৎনফম থোকই তাইবঙনা।

নবেম্বব ১১, ২০১২ ইং
নোংমাইজিং, অঙনবা অয়ূক

অপঙবী থম্মোয় নঙদি ব্রাজরে

অপঙবী থম্মোয় নঙদি ব্রাজবে
অখূবা মীৎয়েং থম্লুবনা
চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্নবা
ঙমজদ্রবা থম্মোয়দুদি ব্রাজসনূদা।

অব্রা-নুংঙাইবা হাযবদো
তাইবঙদা পূক্লিংনা পুবনি
অফবা খল্লগা অফবা তৌববা
পূন্নমক ফবনি তাইবঙসু যাইফবনিদা।

খল্লুবা খূদিংনা যাইফববা
তৌকপা খূদিংনা অফবা ওইববা
অফবতা নশকক ওইবনি নঙগীদি
মপুগী থৌজালসু নঙনা ফংঙনি
তাইবঙনা যাইফবদা নঙসু যাওবনিদা।

নবেম্বর ১১, ২০১২ ইং
নোংমাইজিং, অঙনবা অযূক

নাপল লাংনা শাৎলিবী লৈবাং

নাপল লাংনা শাৎলিবী লৈবাং
লৈবাংনা লৈকা ফল্লিগৈ
খোইমু মশীং যাম্বনি
লৈহীনা চোন্না চেল্লিগৈ
তুংইনবসু মযাম্বনিনে।

ওসি ইনুং লেল্লগা
লৈবাংনা লৈমন চল্লবদা
কনাসু মনাক নকপিবোই
চেকশিল্লু লৈবাং শকহেনবী
নশক্লা নওগী যেক্লবনিনে।

লৈবাংনা লৈমন চন্দুনা
খোঙ্গুলদা চৌইনা কেল্লবদা
কনাসু লৈবোই উবিনবা
নাপদা থেৎপিগে খনবিগদবা
উফুল্লক্তগী খুঙ্গৎপিদুনা।

নবেম্বর ২০, ২০১২ ইং
লৈপাকপোকপা, অঙনবা অয়ূক

লমহেল্লবী ঐগী থম্মোয়

লমহেল্লবী ঐগী থম্মোয়
নুংশিক্নু য়াদে মাবু
মিনুংশি খঙদবী মাদি
নঙগী নুংশিববু খঙবিবোই।

নীংবা কাযদুনা তোকচনি
পোম্না লৈমন চপ্পহৌনি
তাইবঙসে মতা অমনি
খঙদ্রিবা কবিগীনো নঙবো?

নুংশিগী নীচৎতি মদু নত্তে
থাজবদা য়ুম্ফম ওইবনি
নদোম তবক তাহৌবদো
খাঙবা ঙমগদ্রনে নঙবো?

নুংশিগী তাইবঙদা নমথাক চাহৌবা
অপঙবা তাদুনা তোকচনি
লৈমন চন্দুনা মাঙজগনি
লৈমায়দা কেন্দুনা কেমজহৌনি।

নবেম্বর ২৫, ২০১২ ইং
নোংমাইজিং, অহীং অথেঙবা



ৱাঙাঙ হৈবনা অচুম্বা শক্লবা

ৱাঙাঙ হৈবনা অচুম্বা শক্লবা
লাউবা কনবনা অকনবা শাববা
ঙাঙগনবা মীনা ইজ্জৎ লৈববা
মতমগী খোঙলৈ তুংইন্নববা
মীবোলসিদা হিংলি ঙসি ঐখোয।

ইকায খঙদববু ইকায় খুম্নববসিদা
থম্মোযনা থম্মোযবু মশক খঙনদবে
ইকাযদুনা লোৎখ্রে অচুম্বদুসু
লৈবোন্নুংদা কনা খঙদনবা
থিবদা অৱাবা ওইবে কনাগুম্বনদি।

তাইবঙসু তাইবঙদু ওইদবে
মঙলান্দা মঙগুম মঙনবে
মবৌ লৈবা হেঙ্গৎলক্লে
নুংশি ঈচেলসু থেঙ্গৎলক্লেনে
লৈবাযদা লৈঙোয হাজিল্লকপনা।

নবেম্বর ২৫, ২০১২ ইং
নোংমাইজিং, অহীং অথেঙবা

য়েনখা পাউদাবী

যেনখা পাউদাবী
শাইগঙ পোল্লিবী
নখোয়বু থম্মোয পানববা
নখোয়বু মিনুংশি খঙববনে?

মীগী নুংঙাইবা উবগা
পেম্ছোকপা হৈবব্রনে
মীগী অব্রাবা উবগনা
মিনুংশি পোকপা ঙম্লব্রনে?

অফবা ৱাখল খল্লব্রনে
ফন্নবত্রা তৌনীংবা পোক্লব্রনে
মীগী অফবা তৌববদি
নখোযগীসু অফবা ওইবনে?

অৱাবদা শকক য়াবদি
অৱাবদো কোকমিন্নবনে
নখোযগীসু মতম লাকপদা
মীদুনসু শকক যাবনিনে।

দিসেম্বব ২৪, ২০১২ ইং
ইবাই, নোংঙাল্লমদাই

লৈবাংনা শাৎলি লৈকা ফম্না

লৈবাংনা শাৎলি লৈকা ফম্না
বসন্ত ঋতুনা লাকপা খুদিং
থম্মোয় মকা ফম্না হবাওজৈ
শাৎলিবা লৈবাংবু উরুবগা।

হবাও-নুংঙাইববা পুক্লিং
মাযথোঙসু মকা লামজৈ
যেংউবা খুদিং ইফদা ফজৈ
অপেনবা নুংঙাইবনা মপুং ওইজৈ।

নুংশিবনা থল্লবা থম্মোযদুদি
হৌবকফম ওইবনি নুংঙাইবগী
অরা-নুংঙাইগী তাইবঙসিদা
অপেনবা নুংঙাইবগী তুংনফমনি।

কল্লকপা খুৎনা খাঙমজদে
লৈবাংনা লৈশাৎ মপুং ফাদ্রিঙৈ
হেক্তোক্তুনা মাঙহল্লি শেগাযদুনা
লৈবাংনা কেন্দুনা চোইজাইনবদা
অরাবা পোক্তে মিহৌবা থম্মোযদুনা।

দিসেম্বর ১৪, ২০১২ ইং
ইবাই, নুংথিল, খোংমন মংজিল

কেজবতনা মশরুক ওইবিবী

কেজবতনা মশরুক ওইবিবী
নৌনা পোমজবক্লিবী মতৌদুদা
নুংশিবা পোকপা ওমদবদি
থম্মোয়দুনি মিহৌবনা লাকহৎখ্রবা।

লৈকোলগী লৈবাং পোমজবিবী
লৈশাৎসু মপৃং ফাজদ্রিবী
লৈহীসু চোন্না চেঞ্জদ্রিবী
তনৌ তনৌ পোমজবক্লিবীনি ।

তমথীবা খৃৎতুনা হেক্তোকপিদুনা
খৃজিন্না শীক্কায় শীক্কাযদুনা
লৈমায়দা লংথোকপিবা ওল্লিবা
থম্মোয়দু মখোযদুই হঙ্গোইজৈনে।

তাইবঙগী ওইবা শাবমচংনা
লাকহৎখ্রবা নঙগী থম্মোয পৃক্লিং
পামজদে ঐদি পামজদেনে
হঙ্গোইজৈ ঐদি হঙ্গোইজৈনে

দিসেম্বর ১৫, ২০১২ ইং
থাংজ, অঙনবা অযৃক

শিরগা লোইরবা পুন্সিনি

শিবগা লোইববা পুন্সিনি, মীওইবা
হিংলিঙৈ কল্লিঙৈ অফবা খল্লম্মুদো।

অফবতা তৌবম্মু থবক ঙল্লিঙৈ
শেন্নদা পাংলম্মু অফবা মালেম'মা
অৱা-নুংঙাই অনীগী তাইবঙনি
খল্লুনু অৱাবগীসু থোইদোক্লা।

থম্নাথক্কী লাইজনি মীওইপোক
ঙামথবা খূদক্তা তিনখিনি ঈবোম্নুং
লাইজথক্কী কোঙ্গোলনি পুন্সিসু
তাকখিবগী মতমসু খঙহৌবোই।

হাযনবা সৈবনি মৈহৌবোলদগী
ঙসি শিনি পাউতাক্তে
হযেং শিনি পাউজেন্দে
নোংমদি শোযবোই মিনা তুংইনবনি।

দিসেম্বর ১৬, ২০১২ ইং
নোংমাইজিং, অঙনবা অয়ূক

মালঙবা কুউ কুউ

মালঙবা কুউ কুউ নেম্লো নেম্লো
তাইবঙ পূম্বা মৈশা লাংলে
মৈবীকপীনা মৈজাওবী হৌবে
নঙগী শাহুম লাংলকপসিদা।

মৈবীকপীনা মৈজাওবী হৌবে
তাইবঙ থম্মোয় মৈচাক্তু খাঙলে
শাবমচৎনা মথি ফোংলে
মখোঙ অনী পানবা শা ওইবে।

চীংমী তম্মী মবক্তা শীংচেপ থাবে
নুংশি লীপুন কোমথবক্রে
অবায় - অখূমদা থম্মোয় কায়বে
তাইশিনবা ঙমদে মচেৎ তাবে।

মচীন মনাওগী নুংশি ঈচেলদা
অচৌবা পম্বীং ওইববে ঙসি
ঙাকপিগদবা তেমশীংনবকপদা
নুপীগী ইজ্জৎ লৈখা তাবে।

দিসেম্বর ২৩, ২০১২ ইং
নোংমাইজিং, অঙনবা অযূক

চৎখরো হে অরিবা চহী (২০১২)

চৎখবো হে অবিবা চহী
পুখবো নঙনা মীকপ মীবাওখোল
তাইবঙ ঈপাকসিদগী
বিদায পীববনি নঙবু
খুন্নাইসিনা হবাওনা।

লাক্লে ঙসি অনৌবা চহী (২০১৩)
নুংশি মীনোক পুবদুনা
মাযথোঙ মকা লান্নদুনা
হিংমিন্নসি ঐখোয পূন্না
নৈমিন্নসি ঐখোয পূন্না।

চৎথ্রসনু মীওং-মীনৈসু
খুন্নাইসিদগী মালেমসিদগী
খাঙবদা ব্রাববা মীওই লীচৎ
থাদোকসনু অনৌবা চহীসিদা
নুংশি চান্নবা পুবক্লসনু
বিদায হে অবিবা চহী বিদায।

জানুৱাবী ১, ২০১৩ ইং
নিংথৌকাবা, অঙনবা অমূক

কম্মু পেন্না কপসি

কম্মু পেন্না কপসি ঐখোয়
তাইবঙ লীচৎনা তাইওন্নবকপসিদা।

কবিবু নুংঙাইনি খন্দুনা মদুদা
পৃক্লিং রাখলনা লৃপ্পুবিবা
অফবা নীংথিবা খনবা ওমদ্রবা
মীওইদুদি পৃথি লৃম্নবা পোকপনি, হায়নৈ।

মপুই তাইবঙদা তাইওন্নববা
কবিবু কান্নকনি হিংলুবগী
ফজবা, নীংথিবা তাইবঙপানসিদা
পিবাং শীঙ্খহন্নবা অপোকপী ইমাগী।

পোকচমন লমনবু অসুম্না শিংববা
পলেমগী থম্মোয়দা তাশোন্না থিনবগুম
নীংশিংলু খৃদিং পিবাং পিবোয়ননবা
খল্লুবা খৃদিং থম্মোয় কায়নবা।

ফেব্রুবারী ৫, ২০১৩ ইং
লৈবাকপোকপা, নোংঙাল্লমদাই

মতমগী লৈবাং লৈনুংশি

মতমগী লৈবাং লৈনুংশি
লৈবাংগী শক্তম উখিদবা
লোইদাম কুইবে কুইবেদা।

লৈবাংগী মউ তাববু হাযবগা
পামেল শীংজা মানবা লৈ
লৈবাংগী মনাবু যেংলুবা
নিঙোল ওইবীশিংদুগী
ইমু ফীবাক খযনা থাঙ।

লৈবাং মানা পোল্লিঙে
মকি লংদুম মানবা লৈ
লৈবাংনা ফৃগাযনা শাৎলগা
লিকোন থবাক মানবা লৈ
পাবী চাউদ্য নাউকোন লৈ
ইমোম চাউদা নাউযোক লৈ।

মণিপুবগী চীংমায ঙান্নবৈ
ঙসিদি ফোঙমদা পাউখোঙ ওই
পেনা চৈজিং লেনবদা
শৈহেক শৈথাবোল ওইবম্বা
মমিং যৌনা কাউখ্রবীনিদো।

নবেম্বব ১৭, ২০১২ ইং
থাংজ, নোংঙাল্লমদাই

মহৌশানি তাইবঙ পুন্সিদা

মহৌশানি তাইবঙ পুন্সিদা
অমুক নোকপা অমুক কপ্পা।

অহীং নুংথিলনা শক্তাক্লি
ৱাদনা নুংঙাইবা মপূং ফাদে
মপু মাগী পাউতাক্লি
শোযফদ্রবা লাইৱানি।

অৱাবদসু খল্লুনু থোইনা
নুংঙাইবদসু মকা ফোঙগনু
অনীগী চাংচৎ মান্ননা
পূক্লিং ৱাখল লৈতাহল্লুনে।

নুংঙাইবা মউ লিংদে
অৱাবদসু মপাল থাদে
হাযনবা লৈবনি তাইবঙদা
শোযফদ্রবা চৎনলোননি।

মার্চ ১২, ২০১৩ ইং
লৈবাকপোকপা, অঙনবা অয়ূক

নীংশিংলকই ঙসিদি

নীংশিংলকই ঙসিদি
খুঙ্গংদুগী চিদাইদুদা
লৈহৌবা খাঙপোকশঙদো।

পম্বৌনা শাবিবন্থনি
পলেম্না যাঙ্গোইবকখিবা
পলেমগী মিনুংশিনা থল্লবা
নাৱা শিন্দম শৈদাংশঙদো।

শুমাঙ মাঙ্গোল কোয়লাং লাঙ
নিঙোল ঐখোযগী শান্নবুং
পলেমগী নাউযোক নাউকোনশঙ
পম্বৌগী নীংশিং লাইশঙদো।

যুম্নাক শাগৈ হোংদুনা
লমদম তাম্না যুম্বাল্লকখিবা
নিঙোল ওইবী ঐহাক্তি
নীংশিংবনা নৌথোকহল্লে, ঙসিদি।

মার্চ ১৪, ২০১৩ ইং
শগোলশেল, অঙনবা অয়ূক

নাইতোম পোকপী থোইবীনি

হো. হো. হো হো
নাইতোম পোকপী থোইবীনি
শকহেনবী লিন্দাউবীনি নওদি
মীতৌ তম্বী মীপাউথোকনি নওদি
ননীং তৌবী শকহেনবীনি।

কেথোক মৌথোকপী নওনি
লুনা চান্না য়োকপগী মতিক
তোনানবীনি নওদি
শকহেনবী নীংথিবী।

নশক্রা অয়েকপা লাইনি
লীক্লিগী লাই ফজবী
মশা নানবী তনানবীনি নওদি
মনীং তৌবী লমহেনবীনি নওদি।

মাওজনি চেকশিল্লু
লৈবাং মানবী নদোম
লৈবাং লৈমন চন্দুনা
তাঞ্জা মেঞ্জা খওজহৌ, খওজিঞ্জহৌ।

মে ১৭, ২০১৩ ইং
ইবাই, নুংথিল

তোর্বুং লমজাওদা শীৎপা মালঙবা

তোর্বুং লমজাওদা শীৎপা মালঙবা
কবিগী অদুক খোযশাওনবিবা
মালেমসু লৈতাফম খণ্ডদবে
লৈচীল নোংফাইসু মমি শামখ্রে।

ফূইনা হৌবকপা নোংলেনসু
লৈতাদনা পাইখবেদা
নঙগী অশাও শাহ্নমদা
মালেম থৌগংনহৌবেনে।

ফূগাইনা শাৎচবী গুলাবলৈ
লৈনাশিংদো তনৌবিবী
মচোই মচোই কেপ্লেনে
লৈমাযদা খোঙ্গাওনবেনে।

জুন ২৫, ২০১৩ ইং
লৈবাকপোকপা, নুংথিল

লাইজ ঈরোম্মুংদা পোমজবী

লাইজ ঈবোম্মুংদা পোমজবী
ঈপাম্লাংনা লৈশাং তমজবী
থবো থম্বাল থাবিকথা
ঈয়ায়গী লৈতেং ওইবিবনি।

থম্বালনা শাংলি নুমিৎ মায়ওন্দা
থবোনা শাংলি থাবলগী ইপোমদা
থবো থম্বালগী মতাবোয়নি
থাবিকথা কৌবী লৈনুংশিদো।

নুমিদাংৱাইগী তাঞ্জাদুদা
খোঙহৌ থেঙবা খোয়বাবা
লৈবাং লৈকাদা ঙংলবা
লৈনাবক্তা লোৎখবে।

ওগষ্ট ১৪, ২০১৩ ইং
ম্‌য়ুমশকৈশা, অঙনবা অয়ূক

থম্মোয খোন্না চাকপা মৈচাক

থম্মোয খোন্না চাকপা মৈচাকসি
কনাদবু লীকব্বসিগেনে, চান্নবী।

পলেম শিযোমনুংদগী হংঙা মিকপ্না
তাইবঙ খোঙদাবকখিবা মীৎকৃপতুদগী
নুংশি চান্ননা লোযনবকখিবনি, নঙব্রু
পুন্সি খোইবেন যৌবা ফাওবগীনি।

নঙগা ঐগা লোযনবকপসিসু
লম্মখাঙদা থাদোক্লোই খন
লুনা চান্না থমজবকখি নঙবু
খুদি খজিক থীবদসু ব্রাজৈ, নঙগীদমক।

থব্রাযগা হকচাংগা হাযনবনি
নঙগী ঐগী কাযনবগী মতম লাক্লবদি
কাযনবা, তাবেদো কাযননীংদনা
লৈহৌবো চান্নবী নোংলৈসিসু কনশিল্লক্লে।

নবেম্বর ২, ২০১৩ ইং
থাংজ, নুমিদাংব্রাইবম

পূক্লিংনা অমা নীংই

পূক্লিংনা অমা নীংই
রাখলনা অমা খল্লি
থবক্লা অতোপ্প'মা তৌথোবকই
লমফাংলবা তাইবঙ হায়দুনা
চীনকা খূৎকা মান্নদ্রিবসে
অপাম্বগা অনীংবগা তাইওন্নবিবসে?

মীদি কোক্তা শম হৌববদি
লায়দ্রে হায়নবা কুইবেদা
ঐনা পোক্তিবৈভেদগী ওইবিনি
জ্ঞান তাবকপদগী তাবকখি
থাজকদে কবিগুম্বদা
থবকা রাখলগা তাইওন্নবক্কনি হায়বা।

অওইবদুদি অদুম্মক মথেংনৈ
ওন্নবতা ওইনা উবক্লবনি
ঙসিগী তাইবঙ হায়বসিমক্তবু
ব্যবহার চৎনলোন কদায়দনো
থকসি-খাসিনা কদোমদনো
ওন্নবতা ওইনা উবেদা, ঙসিদি।

নবেম্বর ৬, ২০১৩ ইং
য়ুমশকৈশা, অথেঙবা অহীং

খল্লুবনা অমা তৌথোরকপনা অমা

খল্লুবনা অমা তৌথোবকপনা অমা
ইচাসু মীচাসু যোংলৈ মেলৈ নাইদ্রেদা
খেন্নবা খন্দোকফম খঙদ্রেদা
তাইবঙদি তাইবঙনি ইপঙ পঙজবা
অফ-ফত্তবা খঙ্গবা নংদবা।

তৌকবা থবক্কী মহৈ কবি ওইনি
কনাসু খলহৌদে থবক তৌদ্রিঙৈ
মাঙজৌননা খঙবসে অফবনি
লাইবিক লাইশু হৈবগী মচৎনি
হাযনবা লৈবনি মৈহৌবোন্দগী।

হৈবা হৈতবসু হৌজিক্তি মান্নবে
অপঙ-অশিং খেন্নবা খঙদবে
থবক্কী মহৈ ফংলবদা খঙনৈ
মসিসু অঙকপা তবেৎকী মনুংদা
নিপালশুবদো এইহৌবেদা।

নবেম্বব ৬, ২০১৩ ইং
যুমশকৈশা, অথেঙবা অহীং

লুহোংবৈ অহীংদা কন্যা মাঙখ্রে

লুহোংবৈ অহীংদা কন্যা মাঙখ্রে
হায়নবা তাখি ঐনা অঙাং ওইবিঙৈ
মসিবু কবি মবম লৈবনোনে
নুংশিনদা শকখঙনদা লুহোংবা
হায়ন-শীংনবা হায়দুনবা খঙদে।

হৌজিক্তি নুংশিনদুনা হোংবনা যান্নে
মশক খঙনদ্রবদি নুপীনা যানদ্রে
মমা-মপানা হাযনবা লৌনদ্রেদা
মশা-মশানা খঙনবদুনা ফবে
মসিসু থৌদোক কযানি হাযবা ওমদে।

মশা খঙনবদুসু তুংকোইদেদা
কবিগুম্বদা থা ফাদনসু কাযনৈ
মসিবু নুংদা কবি লৈবনো
হৌনবী-চৎনবী ময়ী চৎলেদা
ইচা থাজগদৌবা যৌনা কিবে
শিদোক্লন্নবদি কবিগুম্বদা
মাঙজবেদো ঐদি মমা ওইবনা।

নবেম্বব ৬, ২০১৩ ইং
য়ূমশকৈশা, অথেঙবা অহীং

ইচাদি চাগদৌগুম য়েংই

ইচাদি চাগদৌগুম য়েংই
হাযনবদুগী 'ইচা' কৌবনি
ইয়াদা হূক্কদৌবদো পীজবনি
ইনমদা শেৎকদৌবদো থোনবনি।

খূবাক কুবোল হুবক্লবনি
লৈকায ফৌশু লগুলকপদা
পাৎতা কূমদুনা লোং খোল্লি
চীংদা কাদুনা শীং চল্লুই।

তাইবঙদসু মান্নদে অল্লা-নুংঙাই
লুখ্রাবীনা মচা যোকপা হাযনৈদো
চাবা মচেৎ, শেৎপা মখাক থম
ইচাগীদা খনবদা নুংঙাইবা ওম্বনি।

অদুগুম্বা মচাদো খূবামদগী নাঙ্খোকখ্রবা
মমা ওইবীগী থম্মোয় কবি ওইকনি
মচা চাউবগা নুংঙাইনি খঞ্জবম্বদো
থম্মোযদো মিংশেলগুম কায়বেদনদো।

নবেম্বর ৬, ২০১৩ ইং
য়ূমশকৈশা, অথেঙবা অহীং

মতমগী নুংশিৎ অঙাওবসিদা

মতমগী নুংশিৎ অঙাওবসিদা
অকনবা নোংলৈ য়াওবক্লিসিদা
মায়কৈ ঙাওদুনা চৎনবক্লেনে
ইচা-মীচা পূম্নমক ঙাওবেদা
রাবক-রাতেম্বা ঙমহৌদেদা।

খম্থুবা ঙমদ্রবা মচা কয়ানা
অকনবা নুংশিংতা ককঙাওননা
ময়ূম হঞ্জিনফম খঙদ্রেদা
হাঙলবা কাদু য়েংনা য়েংনা
পলেম ওইবীশিং পিবাং কংদ্রেনে।

নৌজবিবা মচানা লান্না চৎখিবদা
নাউথেম্বা ঙমজহৌদা মমাদি
তাইবঙসে তাইবঙ ওইদবেদো ঙসি
অনৌবা যুগনি মহায়ববনি
কম্প্যুটব যুগসু হায়নবসিদকো।

নবেম্বর ৬, ২০১৩ ইং
য়ুমশকৈশা, অথেঙবা অহীং

নিঙোল পোকচবী পলেমশিং

নিঙোল পোকচবী পলেমশিং
শিঙম শিঙমদনা শিগ্নবশিংগী
নীংশিং নীংশিং মৈচাক খাঙলে
নৌজবিবী মচাবু শবাক তম্নিখিবা
মমাগী থম্মোযদি কবি ওইকুবনি?

ফনা লাউজৈ 'মীহাৎপা চৈবাক পীযু'
পীখিববা পীখিদবনা অযাম্বনি
ঙাকপিফম থোক্লুবা মবালদুগী
লোৎশিন্নবা হোৎনৈ অচৌ অশাংশিংনা
মচাশিংদা থোক্লবগা খঙগদৌবা মঙাযবে।

অশিবনা মাঙজববা হাযদুনা
অহিংবা মখোযদি নুংঙাইনবি
তৌঙম্বা শা মবাই লোংনা চৎলি
পাঙ্গল শোনবী নুপীনি হাযদুনবু
মোবাইলদা অকিবা পোত্তিবেনে?

নবেম্বর ৬, ২০১৩ ইং
যূমশকৈশা, অথেঙবা অহীং

সমুদ্রদা লম্বী মাঙলবদি

সমুদ্রদা লম্বী মাঙলবদি
কনাগুম্না লংফৈ চৎপনা
অরাংথংবা অতিয়াদা থোকপা
ধ্রুবতবা থরানবু য়েংদুনা
মায়কৈ লৈপ্রে, মহায়নৈদো।

য়ুম্বানবদা মায়কৈ মাঙলবা মীদি
তাইবঙ রাংমদা মীৎয়েং থম্লবি
পাম্মুবা খঙনদে থরায়সে তাঙলবা
মমা-মপাগী খজিক খন্নদে
ঙাইহাক্কী ওইবা রাখলদা লূপনৈদে।

পাম্মুই ঐদি থরায় মচাশিংদো
রানা য়োক্কুনা চাউবকখিবশিংদো
অঙাং'মা য়োকপা ফৌ শঙবায়'মনা চাউববা
ঙা তুঙ্গোল'মনা চাউববা হায়নৈদো
তাইবঙদা হায়বনি খঙ্গনদে অদুসু।

নবেম্বর ৭, ২০১৩ ইং
শগোলশেল, অহীং অথেঙবা

ঙসিগী মণিপুরদি অঙকপনি

ঙসিগী মণিপুবদি অঙকপনি
নিপা মথৈসু অসুম লোইশিল্লে
এইদসনা খবা হাৎ সিফাইনা খবা
মখোয় মশেল খবা, নিশা অতৈনা খবা
নোংমদি নিপা লৈতবা লমদমদো
ওইবকপা যাবিবনি, ইবৈবাকসে।

কবিগুম্বনোং ভিযেটনামগুম
নিপা কৌবগী পাউজেল থাদোক
মুক্সন চেন্নবা মতাববদি
কবি ওইবক্কনি সনা লৈবাক
লান্নবা ঈনা পানথ্রগনিদো
অঙকপা ওইবনি মতমদুদদি।

নুপীনা নোংমৈ পায সিফাই খল্লনি
লৈবাক্তি ঙাক্তবা যাবা নত্তবনা
যৃম্নুবী লৈববোই অঙাং যোক্লবা
যোকচবীসু পাউজেল থোক চেন্নববা
অদু ওইবদি কংলৈবাকসে
মতা অমদি তৌবনি, তশেংনা।

নবেম্বব ৭, ২০১৩ ইং
শগোলশেল, অহীং অথেঙবা

ঐনা ঐগী হায়বা ৱাখলদা

ঐনা ঐগী হায়বা ৱাখলদা
মীগী খনবা ঙম্লদে, কনাসু
অচুম অবান খনবা তোক্তুনা
ৱাখল পূক্লিংগী লানফম কয়া
হেক হেক শোক্লবা তাবকখিবনি
হাৎন-শুনবা অমাঙ-অতাগী।

তাইবঙগী ওইবা শেমগৎপগী নামাদা
অকায়বতনা শকক ওইবকখি
মীওই পুন্সিসু অফবা ওইবক্তে
অফবগী ৱাখলদা শেল্লকপা তাইবঙনি
মীনা মদুবু মাঙহন-তাকহল্লি
লাইনসু য়াবোই মদু, মীসু।

তাইবঙদি তাইবঙনি লাইনা শেল্বা
মীওইবৈ ফম্বাক্তি নুংঙাইবগী তূংনফম
খল্লু খলসি অফবৈ ঙাক্তা
নুংঙাইবা ফজবা মালেম অমগী
ঐসু নঙসু মাসু লোইনমক্লা
খনফম থোকপা লৈবনি মদু।

নবেম্বর ৮, ২০১৩ ইং
ইবাই, অথেঙবা অহীং

থৌনা ফবতনসু য়াদে, মীওইবা

থৌনা ফবতনসু য়াদে মীওইবা
কৎথোকপসু য়াওদবা য়াদে
কনবিবসে অথোইবা ইথৌনি
কনবিফম থোক্তববু কনবিবদসু
অমাঙবা কয়া থোক্তবদি নত্তে।

চণ্ডজবকপা খুনু অমা কনবদা
মশাগী শাদোং কত্তুনা পীখি
বাজা শিবিনা অদুগুঁ
ওন্নখি মথৌগা মশাগী শাদোংগা
মথৌদুনা পাম্বে ওই খল্লুবদুগীনি।

নিংথৌগী কৎথোকপা মমিং চৎলি
থরায়না পোম্থানদুনা জীব কনবিখি
তৌফম থোকপা মথৌনি খনবনি
মথৌদা লেঙদবা মিংচৎ থম্বনি
ঙম্নদে মীওইবা নিংথৌগী থৌনাদি।

নবেম্বব ৮, ২০১৩ ইং
ইবাই, অথেঙবা অহীং

লৈকায় শারা শল্লে

লৈকায় শাবা শল্লে
ইকায় শঙ্গোয় হাঙলে
থম্মোয়সু মচেৎ কায়বে
কবিবু তৌকনি হায়গে
তৌঙম্বা কয়াগী থৌওংদুদা।

হায়ঙম তৌঙমদা পাঙদবা
মীথীবোং মীতম্বাল ওল্লবা
তাইবঙ হায়দু ওইবেদা
কনাদনো রাকৎ থাঙ্গৎলুদৌবা
মীগী মী অমহানি।

অঙম্বগী অঙম্বা ঙাক্তনি
হাযঙম তৌঙম্বা মক্তনি
থম্মোয পান্দবা উচেক্কুবুদি
কবম্না থম্মোয শেগাযকনি
লাযনাদুবু লায়েংবা তাববসু?

নবেম্বর ৩০, ২০১৩ ইং
থাংজ, অহীং অথেঙব

তুরৈ ঈরৈ চেল্লেদা

তুরৈ ঈরৈ চেল্লেদা
থম্মোযসিসু ঙসিদি
পিবাং তোয়না শীঙ্খ্রবসু
যাংগববা হাযকব্বু
থোইনা হেন্না মকমলেদকো।

খল্লুবু খূদিংদসু নুংঙাইফম খঙদে
উকবা খূদিংদসু নীংথি নুংঙাইত্রে
তাইবঙসু শেবাৎনবেদা
থম্মোযদা খুত্তুম্না শুদুনা
খাঙবা তাবিব্রা পূম্নমকসে।

মতমসিগী তাইবঙসু অঙকপা ওইবে
থম্মোয়দা মিনুংসি মচেৎ পক্লে
নুংশিগী ঈচেলসু থেঙ্গৎলক্লে
লৈবাযদা লৈঙোয হাজিল্লকপনা
তাইবঙদুবু তাইবং কৌকবা যাবিব্রনে
মিনুংশিনা থাদোক্লুনা চৎখ্রবদবো?

নবেম্বর ৩০, ২০১৩ ইং
থাংজ, অথেঙবা অহীং

হৌদোং মচা চাউনবা য়োক্লে

হৌদোং মচা চাউনবা য়োক্লে
মিযাউ মিয়াউ খোংলে
চাউবে কোয়না চেন্দুনা শান্নবে
চাউবে কাংদোং ফাবক্লে
উচি ফাবা ওল্ললি খল্লি।

উচিদি ফাদ্রদনা মাদি
মপুগী চাক্লুক্তগী ঙাবৌ
লাক্কদবগী শেন্নবি তাঞ্জা
মানা খল্লি কবিগুম্বদা
ইপুসে মমীৎ তাওলবদিকো।

মসিবু হৌনব্রাও য়োকপিবকপগী
উচি ফাদুনা চাগেদি হায়দ্রদুনা
হৌদোংদি হাযনৈ কৈগী মন্দোন্নি
অদুদি শাগৈ জাৎ তিন্নবিনে
কৈ মচা চাউনবা যোকপা হায়নবদো।

নবেম্বর ৩০, ২০১৩ ইং
থাংজ, অথেঙবা অহীং

লাইশোন ঈশৈ

চূমথাঙগী মচু লৌরগা

চূমথাঙগী মচু লৌবগা
য়েক্লগে ইমাগী শক্তম
ঐগী থম্মোয় লকানুংদা
মাযথোঙদো নুংশিবী ইমাগী।

শাইনোন্না ঝুমঝুম তাবিবী
মায়থোঙনি থাজ কোতি ঙমজবী
অঙৌবা চন্দনগী পাক্লেনা
থাজ থানিন ঙমজবীনি।

নুমিৎকী মশেক মঙালদা
সনা অহিংবা কুচুনা লৈতেংবী
হকচাংদা অশংবা লীশোন ফৃবিৎ
ঙকশমদা ফৌ পবেং থোল্লিবী।

কুমজিংবী ফনেক নপ্লাশেং
খ্বাঙদা লমথাং খুলকইন্নফিনা
চেজেৎ নীংথিনা লাকশিল্লে
নুবা খৃদোংলৈনা নাপ ঙাল
কযাগী মতিক নীংথিজবিবা।

জুন ২, ২০১২ ইং
থাংজ, অয়ূক

ফজবী লৈক্তে ফজবী

ফজবী লৈক্তে ফজবী
অক-অপান পাঙ্খোইবী
পান্না থোইবে পাঙ্খোইবী ইমা।

সনা অহিংবা কুচু ঙমজবী
মথোল তবেৎতা ঙাঙ্খোইবী
থৌদু নুঙ্গায থক্তা ফমদেংবী
শক্তি কোঙ্গাইনা লৈতেংবী ইমা।

মাযকৈ মবি শুংদাই নিপান্দা
ৱাযেল কাতি থাবিবী
অচুম্বা, নুংশিবগী লাইবেন্থী
থম্মোয ফিদুপ শকখঙবী।

খূবাং চাংজৌ তবানা
ইদু'ই কাইদা লিশিংনা
থম্মোয ফিদূপ হাংদোক্লুনা
হন্না হন্না পুনেমজে, ইমা, পুনেমজৈ।

দিসেম্বর ৯, ২০১২ ইং
নোংমাইজিং, অহীং অথেঙবা

অঙকপা চাংয়েং কয়াদো

অঙকপা চাংযেং কয়াদো
চমজববী ঐগী থম্মোয়না
কবিবু কবম্না খঙলুগনি
নুংদা কবি পাউখোঙ চল্লিবা
ফোঙবদা লুবেনে, ইমা।

মতমগী নৈবোন্দা লোংলম্বা
অহকপা থম্মোযগী লোনচং
লৌজগে পুন্সিবোলনি খন
যৌদাংদু পলেম্না পীবিবা
পাঙজগেনে ইকোক নোয়্না।

পামজৈ পাঙ্গলতদি পাঙ'ঙম্বা
যৌজাল ওইনা নফমদগী
পীনবিযু ইমা ঐঙোন্দা
নিজবি ফিগা ও শানা
মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না
চংচবা ঙমজগেনে ইমা।

নবেম্বর ২৫, ২০১২ ইং
নোংমাইজিং, অহীং অথেঙবা

তাইওন্নবরবা ঐগী পুন্সিনি

তাইওন্নববা ঐগী পুন্সিনি
ঙসি কৌবা নোংসিদা
রাখল পূক্লিং পল্লেপফম খঙদে
ইথৌদো পাঙবা ঙম্মোইদৌবে।

মপুই তাইবঙনি ঐখোয়না হিংলিবা
মপুই থৌদা থৌপাঙবা তাবনি
মপুই থৌজাল যাওদনদি
কবন্না পাঙলুগনি থৌদাংদো?

পাঙ্গল থোকপা ঙমজদ্রবা
ঐগী ওইবা পুন্সিনি হিংলিবা
উচুক্তা পুনবা শনবীগুম
ইনীং তৌবা ঙমজদ্রবীনি।

ইমা, নচা চানবী নঙনি
পাঙ্গল থৌনা পীনবিয়ু
খোল্লাং লমনদো নঙগী
শীংজবা ঙমজগে, নীংবা থুংজগে।

নবেম্বর ২৫, ২০১২ ইং
নোংমাইজিং, অহীং অথেঙবা

থৌনা কয়ামকন্না য়োন্নিবা

থৌনা কয়ামকন্না য়োন্নিবা
তাইবঙ শেন্না মপু ইবুংঙো
অবা-নুংঙাইগী ঈচেল্লক্তা তাউবিবা
নঙগী খুৎশেম্নি নঙগী তাইবঙনি।

ননাইগী ননাইনি তোল্লবা
মপোক থীনা পোক্লবা(বী) ঐনি
ঐগী ওইবা মপোকসিবু
মহৈ য়ালহনগে থৌশিনবনি।

থৌজালদুগী মহৈ ফংসনু
পোকচমন লমন শিংবদা
রায় কৌবদা হায়বন্নবোই
পীনবিযু ঐঙোন্দা থৌনাদো
ইথৌদো পাঙবা ঙমজগেনে।

ফেব্রুৱারী ২২, ২০১২ ইং
ইবাই, নোংঙাল্লমদাই

ইমা নৈমবেম্বী শিদবী

ইমা নৈমবেম্বী শিদবী
অকোঙ কংদবী, অবাই তাদবী
ঙসি কৌবা নোংসিদা
অশি থোঙ থিংবিবম্মু
অচঙথোঙবু হাংবিবম্মু ইমা।

তাইবঙ মালঙপানসিদা
ইচি হেন্না ইবাই ৱাংনা
পাঞ্জবমগেনে ইমা
পলেম থৌজাল কুবিবম্মু
নচা অপঙবী ঐঙোন্দা।

তাইবঙ অশি লোকসিদা
মপুই থৌদা পাঙদুনা
যাইবী থোইবেন যৌনবু
পুন্সি নুংশাং পাঞ্জগে
থৌজাল কুবিবম্মুকো ইমা।

ওক্টোবর ৩০, ২০১২ ইং
য়ুম্নশকৈশা, অঙনবা অয়ূক

পাম্বোইবী ইমা ইবেম্মা

পাম্বোইবী ইমা ইবেম্মা
নোংপোক নিংথৌ ইপা ইবুংঙো
খূবাক চাংজৌ তবানা
ইদুই কাইদা লিশিংনা
থম্মোয় ফিদুপ হাংদোক্লুনা
পুনেমজেদো নচানা।

ঙসি কৌবা নোংসিদগী
পলেম পম্বৌ অনীমক্না
তাইবেন পুংফাই নহাই নকন উহন্না
খীক্না চাইনা তাম্বোকপিগ্রোকো
তীনমু ফত্তবা লাইমু ফত্তববু।

পলেম পম্বৌ নশাইগোল
হাইনা হুম্না পাঞ্জবমগেনে
অশেংবা থম্মোয়গী নীংজবদা
পেনবিয়ুকো লাইনিংথৌ লাইবেম্মা
থৌজাল কুবিবম্মুকো।

ওক্টোবর ৩০, ২০১২ ইং
য়ুমশকৈশা, অঙনবা অয়ুক

ইপুধৌ মায়চৌ

ইপুধৌ মায়চৌ
লৌবেম্নম খোংনাংথাবা
ইপুধৌ ঙসি কৌবা নোং
অচুম্বা মশক খঙজগে
ইপুধৌনা খূজেং পাযদুনা
অচুম্বা মাযকৈদা লমজিংবিবম্মুকো।

তাইবঙদি ঙসি, অচুম্বা থিবদা ব্রানবেদা
কবম্বনা অচুম্বনো, কবম্বনা অব্যানবা
খন্দোকপা ঙমজদ্রবা
পঙলবা নশু তোল্লবনিদো
অচুম্বা মশক তাকপিবম্মুকো।

অচুম্বা লম্বীদা
ইপুধৌনা তাকপিবা
চৎচবা ঙমজগে নীংবা থুংজগে
তাইবঙ পানসিদা
অচুম্বা মঙালদুতবু
পীনবিবম্মুকো নশুদা।

ওক্টোবর ৩০, ২০১৩ ইং
যুমশকৈশা, অঙনবা অযূক

ইথৌ পাখঙবা

ইথৌ পাখঙবা
ইবাইলৈমা ইমা ইবেম্মা
ঙসি কৌবা নোং
থম্মোয় ফিদুপ হাংদোক্লুনা
পুনেমজৈদো, নচানা।

ঙসি কৌবা নোংদগী
তীনমু ফত্তবা, লাইমু ফত্তববু
হাবম খা পাংবদা
কৈবেল কৈজাওগী মখযাৎ তম্না
হোই হোই হোইদোকপিবম্মুকো ইথৌ।

ইবাইলৈমা ইমা ইবেম্মা
ইবম খোংলম শেংদোকপিবম্মু
তীনকোকচগে লাইকোকচগে
থৌজাল কুবিবম্মুকো, ইমা।

ওক্টোবর ৩১, ২০১৩ ইং
শগোলশেল, নুমিদাংরাইবম

তাইবঙগী ফম্বাকসে

তাইবঙগী ফম্বাকসে
মপু মাগী খুৎশেম্মি
অৱাবনা শঙবাযনি
নুংঙাইবনা লাইতংনি।

থবক্কী মহৈনি হাযনৈ
মানা মানা তৌজবকপগী
মমাঙগী হৌখিবা মপোক্কুদা
ফংলবনি মানা হন্দক মপোক্তা।

থাজনবীনি তাইবঙপানদা
চুম্লিব্রা লাল্লিব্রা ঐসু খঙদে
বেদ পুবান্না শক্তাক্লি
পুন্সিগী থৌওংনা উৎলি।

কন্নানা কবি ওই পোক্লবা
খঙবা ঙম্মদে মদুসু
নহাল মপোক্তনা মানা
কবি ওইনা পোক্লম্বনো?

নবেম্বর ২, ২০১৩ ইং
থাংজ, অহীং অথেঙবা

থাশিগী অহীংনি মেরাগী

থাশিগী অহীংনি মেবাগী
শূক শুনা মন্নবা তাইবঙনি
থাজগী মঙাল মশক উদে
নুমিৎসিদা ইবাৎনৈ লনগী লাইবেম্মবু

থাউমৈ পবেং পবেংনা
লৈতেংনবি যুমথোঙ খূদিং
মচু মখল কয়া কয়াগী
অঙাংবা অশংবা হিগোক অবংবা।

অবৈবনা অহীং চুপ্পা
থাল্লি মখল কযাগী বন্ধ
লৈতবনা ঙাইহাক্কী বতীনা
খেন্নবসিনা উবি খেন্ননা।

তাজৈ ঐনদি অশেংবা থম্মোযবু
পেনবী লাইবেম্বীনসু লনগী
খেন্নবসি লৈদুনসু
তাইবঙগী মীৎয়েং খূদিংদা।

নবেম্বব ৩, ২০১৩ ইং
নোংমাইজিং, অহীং অথেঙবা

কাইনাদা হৌবা হৈবোং

কাইনাদা হৌবা হৈবোং
গোবিন্দ শাফোঙলমদাই
মনাই হ্যাওবা মনাবৈগা
চাকযোম থোক্তুনা চামিন্নখিবা
চীংগী লফৃ ইবোনবদো
মহাও খঙনা হাবিখি হায।

মনাইগী ৱাখলদা শঞ্জেন্নহাগুম
উহনবিখিবা গোবিন্দদো
ঙসিসু থৈবোংদুগী শক্তমদা
কাইনা চীংগী চীংখোঙদুদা
মনাইশিংগী লাইকক চাহৌই
মোমোন মিনোক্লা কৌহৌই।

কোক্তা চুবা চেপ্লপ থোনবা
খুক্তা চক্র বাঁশী পাযবা
নন্দগী মচা কৃষ্ণগী শক্তমদো
উবকই ঙসি কাইনা চীংখোঙদা
থৈবোংগী শক্তমদা লৈবম্ব্রমক্লি
খুকমজৈ ইবুংঙো থৌজাল হৈবা।

নবেম্বর ৩, ২০১৩ ইং
মেবা থাশি, নোংমাইজিং, অহীং অথেঙবা

ঈশ্বরামাগী মীথুং সেবাদা

ঈশ্বরামাগী মীথুং সেবাদা
পেনবিদুনা শিব পার্বতীনা
অনীনা অমত্তা ওই পীনবিখি
মচানুপা সত্যম বাজুবু
মীওইপোক তাইবত্ত সেবাগীদমক।

মপোক্কী মতিক ময়াইনা
খেন্নবকখি অণ্ডাং অতৈদগী
চহী তবাগী মতমদগী হৌনা
ঈশ্বরগী ওইবা থৌওং উৎলকখি
ফুলগী অঙাং মবক্তগী থোইদোক্না।

স্কাওট ছাত্রশিং কাণ্ডলূপ
মেলাদা মীয়াম সেবাগীদমক
চৎপদা মাদি য়াওখিদে
ময়াম্বনা ফিজোল তূবিদে
লুপা তবাগী শেলখায় পীবিদে।

থোণ্ডনা চৎখিদুনা য়ৌখি
মীয়াম সেবা য়াওকই
খুকমজৈ নণ্ডবু শক্তম্লাংবা।

নবেম্বর ৪, ২০১৩ ইং
নিংথৌকাবা, অথেঙবা অহীং

অঙাং মীঙম্বা ওইরক্লবদা

অঙাং মীঙম্বা ওইবক্লবদা
মীয়াম্না চিবোন চিবোন্না
ঙাঙনবকপা তাকব্দগী
ময়াম্বনা ভিকপ্রকাশ শিবা লাইশঙদা
লাই খুকম্বা চংমিন্নকই।

লাইশঙ মপান্দা পোংশঙদুনা
নৈহৌবা সত্যমবু ময়াম্বনা
শিব-লিঙ্গ মনুংদা উবকখি
চিংনদুনা হন্না হন্না থোক্তুনা
য়েংলখি মপান্দা বাজুবু
নৈবমখি মফম সেঙদনা।

শঙলিবা পোত্তুগী মনাক্তা
ফমদুনা নৈবম্বা থেংনবক্লবদা
ময়াম্বগী পূক্লিংদা ঙকচখি
চিংনবা পূম্বসি কোক্লবা
থৌবাংলুবনি পাম্বে ওইনা
মীওইপোক থৌবম্বু উৎনবনি।

নবেম্বর ৪, ২০১৩ ইং
নিংথৌকাবা, অহীং অখেঙবা

অদুঙৈ রাম্মা সমুদ্র লানঙমদা

অদুঙৈ বাম্মা সমুদ্র লানঙমদা
তেঙ্গোল পৈদুনা লৈবক্লবদা
শিব লিঙ্গ ইবাংলকখি
মফমদুবু বামেশ্বরম কৌনখি।

বাম্মা কংহনগে থৌবাং তৌবকপদো
বকন থোবক্লুনা খুকমলৈ বামবু
শ্রীবাম থাবা নূং পবেং তাউনি
হায়বন্দ্রদগী শেতু থোঙ শাবনি
য়োং তেঙ্গোল লাম্থোককি থোঙদুদা।

তৌঙম্বা বাবণবু লানবিনবা
বিষ্ণুনা তাইবঙ মীওইনা পোক্লুনা
লানবিখি মী হিংচাবা বাবণবু
থৱায়দো বামগী মশাদা তিনখিবদুনি।

নবেম্বব ৪, ২০১৩ ইং
নিংথৌকাবা, অহীং অথেঙবা

লক্ষ্মীনা শাইওন তৌবা সীতা

লক্ষ্মীনা শাইওন তৌবা সীতাদি
মৈ কৌবা লাইদা শিন্নবমখি
বনদা চৎলমদাই মাযা সীতানা
খাঙজখি অৱাবা মীওই লীচৎকী।

বাবণনা ফাদুনা পুখিবা সীতাদো
মাযা সাতীদুনি পঞ্চবতী বনদগী
সুপর্নখাগী যৌইনশিনদগী
মবুং ওইনা পাঙথোক্লিবনি যৌদাং।

মাযা তৌদুনা সনাগী শজীনা
মিহৌহনখি নুপীগী থম্মোয
খঙনা খঙনা কাউখি শাইওননি
বাম তান্নখি সনাগী শজীদু।

ইকাযবা নঙলবা লক্ষ্মন
ময়াম্বগী খোঙ্গুল লীবকখি
হন্দোক্লমদুনা মাযা সীতাবু
ইকায খুম্নজে লক্ষ্মনগী সেবাদু।

নবেম্বব ৪, ২০১৩ ইং
নিংথৌকাবা, অহীং অথেঙবা

ধর্ম্ম খুদিংগী মরু নুংশিবনি

ধর্ম্ম খুদিংগী মক নুংশিবনি
জীববু য়োকপী কনবিবসুনি
মান্নবা মীৎয়েং মান্নবা থৌদাং
শিব-পার্বতীনা সত্যম বাজু ওইনা
য়েনবিগে খন্দুনা শাইওন্নম্বনি।

অনৌবা মপোক্কী মিনুংশি শক্তমনি
য়েনবিবস্মী মিনুংশি মীপূম থুংনা
জাৎ-বিজাৎ খায়খিদে খেন্নবা থমদে
মান্নবা মীৎয়েংনি মীওই খুদিংদা
জীবসু মিনুংশিগী হক লৈবনি।

তাইবঙ লীচৎপু য়োকপনি
অৱাবা খাঙদুনা নুংশিবা তম্বিবনি
মীওইবৈ থম্মোয়দা নুংশিবা য়েনবিবনি
সেবানা অশেংবা থৌদাংনি উৎপনি
সেবাদা পেচ্ছোকপা তম্বিবম্নমক্সি, মানা।

নবেম্বর ৪, ২০১৩ ইং
নিংথৌকাবা, অথেঙবা অহীং

শোঙ্গে নতিক নঙলদুবু

শোঙ্গে নতিক নঙলদুবু
খুকমজৈ নতৌ মিনুংশি লৈবদুবু
পীনবিবম্মু থৌনা তৌঙম্বা সেবা
পোক্লম্বগী মীওইপোক তাইবঙদা।

অপীকপা জীবনি অশিলোকসিদা
থৌদাংনা য়াম্বনি মপুগী থৌদাদো
পাংঙম্বা পাঙ্গলদো পামজৈ ঐনা
থৌজাল ওই পীনবিবম্মু ননাইদা।

তোল্লবী জীবনি কবিসু লৈত্রবা
পামজৈ নঙোন্দগী মিনুংশি
যেংবিবম্মু থৌজালগী মীৎযেংনা
তাইবঙদা হিংলিমখৈ মী ওইনা।

পাঙজগে থৌদাংসু পীনবিবা নঙনা
থৌনাদি হন্দনা পাংঙম্বা ওইজগে
পীক্লবা জীবনি কবিসু লৈত্রবা
চঙজবি খৃযাদা পৃম্নমক থাদোক্লুনা।

নবেম্বর ৪, ২০১৩ ইং
নিংথৌকাবা, অথেঙবা অহীং

পলেম পিবুক্নুংদগী হৌনা

পলেম পিবুক্নুংদগী হৌনা
হংঙা মীকপ লোয়নদুনা
তাইবঙদা খোঙদাবকপদগী
হিংজবি হৌজিক ফাওবা
নঙগী থৌজালনা তেক্ত-কায়দনা।

ঙমজগে খোইবেন য়ৌবা
মালেমদা মীপোক তন্নম্বগী
তৌজবমখিগে সেবা জীবগী
অবোইবা পুংজাগী স্বৰদুফাও
নঙগী থৌজালনা তেক্ত-কাযদনা।

পোক্লবগী মালেমদা মীওইবা ওইনা
পোকপিবনা পলেমনি ঐবু
য়োকপিবনা মালেমনি ঐবু
পলেমগী লমন শিংজবমগে
নঙগী থৌজালনা তেক্ত-কাযদনা।

নবেম্বৰ ৪, ২০১৩ ইং
নিংথৌকাবা, অথেঙবা অহীং

ঙমজগে মোমোন মিনোকচবদো

খাওঙন্না পাঙ্গল পীনবিবম্মু
ওল্লাং মৈশা কালেনগী মৈচাক
অঈংবা মতৌ ঈংথম উলেনসু
খাওজগে অৱা নুংঙাই অনীমক
ঙমজগে মোমোন মিনোকচবদো।

তাইবঙ মাযা ঈপাকসিসু
লানঙমজগে থৌনা ফনা
হিংলমগে নঙগী মালেমদা
অফবা মীওই অমগী মপোক্তা
ঙমজগে মোমোন মিনোকচবদো।

কাযনা মৈচাক তাইবঙ ওইবগী
অৱা-অনং মীওইপোক ওইবগী
পুম্নমক খাওজগে নঙগী থৌজালনা
খাওঙন্না থৌনাদি পীনবিবম্মু
ঙমজগে মোমোন মিনোকচবদো।

নবেম্বর ৪, ২০১৩ ইং
নিংথৌকাবা, অহীং অথেঙবা

কংনা তাকখি হায়বনি

কংনা তাকখি হায়বগী
কংলৈপাকপু কৌবনে।

পাবু খঙবা মচানা
পাখঙববু কোলোয়বা
মমা নীংবা মচানা
কংলৈ ফম্বাল তোংবনে
মপাগী থৌজাল ফংবনে।

পাঙ্গল কনবা ময়াম্বা
নোংখোঙ কোযবা অঙম্বা
মহী ময়াই কনবগী
সনামহী কোলোইবা
য়ুমথোঙগী নিংথৌ ওইবনে
খুকমজৈ অনীমক শৃগ্না
থৌজাল কুবিবম্মুদো।

ওক্টোবব ২৩, ২০১৩ ইং
য়ুমশকৈশা, অথেঙবা অহীং

খুরুমজৈ হে নুংশিংকী মচা

খুকমজৈ হে নুংশিংকী মচা
শক্তি কযানা লৈতেংবা, হনুমান
শক্তিশেননা পাল্লবা লক্ষ্মন
গন্ধমাদোন চীংদুম ফূক্কদুনা
কনবিখি শিদহীদাক পুবক্লুনা।

অহীংদুদা থিল্লুই অমুক
হিমালয তান্না চীংদুমদো
লাইগী লীক্রম কাযদনবা
তাইবংগী মঙ্গল ওইননবা
খুকমজৈ হে নুংশিংকী মচা।

লিনগী তেয়া পান্দুনা বাম-লক্ষ্মন
মেঘনাদ ইন্দ্রজিৎকী তৌগুস্বা শক্তিনা
ব্রাস্থখ্রবদা লিনগী লিপুন্না পুন্দুনা
হনুমান্না গরুব কৌরুদুনা
লিনগী লীপুন নাম্বোকহনখিবা
খুকমজৈ হে নুংশিংকী মচা।

নবেম্বর ২৪, ২০১৩ ইং
নিংথৌকোংবা, অহীং অথেঙবা

ধর্ম্মনা মরায় চায়থরক্লবদা

ধর্ম্মনা মবায় চায়থবক্লবদা
মীনা লাই শা হিংচাবক্লবদা
শাইওন তৌবিখি বিষ্ণুনা
অশিলোকসিদা মীওইপোক্তা।

সত্য যুগতা বাম ওইনা
ত্রেতা যুগতা কৃষ্ণ ওইনা
অৱাবা খাঙবিদুনা মী ওইনা
মী ওইবগী মবক্তা মীওইনা পোক্লুনা।

তম্বিবমখি অচুম্বা চৎপা
তাইবঙ মীওইবদা মী ওইনা
মশানা খাঙদুনা অৱা-অনা
খৃদম ওই তাকপিবম্মী মীওইবদা।

স্নিনগী ফমুংদা যাহীপ্পা
খৃত্তা চক্র-গদা পাযা
লক্ষ্মীনা সেবা তৌজবিবা বিষ্ণু
খুকমজৈ নতিক লৈবা।

নবেম্বব ৪, ২০১৩ ইং
নিংথৌকাবা, অহীং অথেঙবা

লৈবাক্নীংবা ঈশৈ

লম্মাংদোং লমদম লমনুংশি

চীংলোন মাপলনা কোয়শিনবা
শংবান্না ফিজোল থোল্লিবী
লম্মাংদোং লমদম লমনুংশি
থোঙজাওবোক্লা কোনবা লম
ঐগী পোক্লফম লমদমনে
ঐগী হৌবকফম লমদমনে।

অশংবা তিংথৌ লম্পাক্তা
অমাং কোইবৈ তানবদো
খোইনৌ ইতা মযামগা
ক্কাক মাঙজোং চোংবদো
শেবোতি কাওনবী শান্নবদো
কয়াগী মতিক নুংঙাইজবা।

নীংশিংলকই নৌহৌনা ঙসিদি
থোঙজাওবোক খোঙবান লম্পাকমচা
লৈকায়গী থাবল চোংফমদো
উকবা অঙনবা অয়ূকসিদা।

মার্চ ৭, ২০১৩ ইং
শগোলশেল, অঙনবা অয়ূক

কপ্লনু ইমা কপ্লনু

কপ্লনু ইমা কপ্লনু
নচাশিংগীদমক ৱাজদুনা
থম্মোয়দা নুংহীক্লা কপ্লিবী
তৈথোক্লে ইমা পিবাংদো।

নচা ঐখোয় ঙম্না চাউবে
চাউব' কাংদোং ফাবে ফাবে
ইমাগী নতেং পাংলগেনে
ৱাহল্লবোই পলেমবু ঐখোযনা।

শাম্মা পাঙ্গল কল্লে কল্লে
নপাবি নমোম ওইবা ঐখোয
শৃজবগেনে যৌদাবিবো
পলেমগী নহুৎ শিন্দুনা।

চীংদা কাক কাজবগে
পাৎতা কৃল্ল কৃমজকগে
শৃবা য়াবা শৃজবগেনে
পলেম নতেং পাংননবা।

ওগষ্ট ১৪, ২০১৩ ইং
য়ূমশকৈশা, অঙনবা অয়ূক

মৈতৈ পোইরৈ ইবমদম

মৈতৈ পোইরৈ ইবমদম
কোলোয মাগী কংলৈবাক
মণিপুব কৌবী ইমানে
পোক্লফম ঐগী লমনুংশি।

লাইনা থ্যাবা লাইবৈবাক
ব্রাত্ত-পাদবী ইবমদম
যেংউ যেংউ খৃদিংমক্তা
মীংফম হোংবা ঙমদবীনি।

চীং য়েংই মফজৈ
তমবু য়েংই মফজৈ
চীং-তমগী অপূনবা
মৈত্রবাক লমদম লমনুংশি।

পোকপা শিবা নতস্নাক্তা
নঙগীদমক হিংজগে
নঙগীদমক শিজগে
পীনবিয়ু থৌনা, নীংবা থুংজবা।

ওক্টোবব ২৩, ২০১৩ ইং
যুমশকৈশা, অহীং অথেঙবা

লিম্না চীকপৈ হীদাক লৈ

লিন্না চীকপৈ হীদাক লৈ
মী ফত্তৈদি হীদাক লৈতে
হাযনবা লৈ থাযনদগী
অদুদুম খঙদোকপা কান্নগনি।

শানোংবা হিগাযন্না হাযনবদো
হিযাং তান্নবদা কায়খিবা হি
শিংগে যাদে মতিক চাবা মমল
অনৌবা চপ মান্নবা শাহনগে যাদে।

অকাযবদো ফজনা ফোংহনগে
পূম্নমক যাদে মযূম থাদোকখি
সিলেটতৈ পাঙল লাম্মী খোম
লান্দাবকখি মযাম্বু মথক্তো।

লান মযাইবদা লাম্মীশিংদো
খুন্দা লৈতাহনখি হাযনৈ
হৌজিক মীতে পাঙল হাযবিবসে
মতমদুগী লাম্মীশিংদৈ চাদা-নাউদানি।

নবেম্বর ৮, ২০১৩ ইং
ইবাই, অথেঙবা অহীং

ৱাদি ৱানি কায়ববদি ঈশিং চঙুই

ৱাদি ৱানি কায়বদি ঈশিং চঙুই
বাবণনা নাপল কাখিবদৈ সীতা উবদা
হায়নবা য়াদে অহলগী পাউতাক
নহাগী লৌশিং অমতা লৌদে।

বিবিষণবু খোঙপাক্লা কাওখি
তাম্লোকখি মবৈবাক্তগী অদুগুঁ
মমাগী য়াথংদৈ বামদা চঙজখি
অবোন - অথূপ লোইনা হাযদোকখি।

মাযথীবদি মশানা তাববনি
অদু ওইদুনসু ৱা কাযবদুনা
মাযথীবগী মবমদি মওইখি
হাযনৈ, যূম কাযবনা লঙ্কা চাকখি।

মতম শুদনা হৌদোক্লুবা
কুম্ভকর্ণ ধর্ম্ম লৈবা মচানি
হায়বম্মী সীতা পীথোকখিসি
মশাগী ধর্ম্মদা মথৱায থাখিদো।

নবেম্বব ৮, ২০১৩ ইং
ইবাই, অথেঙবা অহীং

লানফম অনীদা মায় পাক্লবসু

লানফম অনীদা মায পাক্লবসু
অহুমশুবা লানফমদা মাযথীখি
বিবিষণনা অবোনবা তাকথোক্লদুনা
কুম্ভিনা ইবাৎলিঙৈ থুগাযখি
লক্ষ্মণনা নাবোন্দা লান্দাদুনা।

অবানবা মাযকৈদা তোংলুবনা
ইন্দ্রজিৎসু মাযথীখি অদুঙৈ
থৱায়না পোম্থা পীখিবনি
রাবণগী থম্মোয় কাযখিবদুনি
মবিল নৈবা ওইবগী নিপাদো
মাযবৈদুনা চেনখিদে হায়বদনি।

লান্দা থৱায থাববসু
তৌফম থোকপনি খল্লি
অবানবা তৌরুববসু মাযবৈনদে
নিপা থোকপা গুণনা লৈতেংবনি
লঙ্কাগী রাবণ রামগী ভক্তনি
য়েক্লবা ওইবসু লৌশিনবিখি বামনা।

নবেম্বর ৮, ২০১৩ ইং
ইবাই, অথেঙবা অহীং

হায়নৈ খুবক্কী ঈনা লাই শাই

হায়নৈ খুবক্কী ঈনা লাই শাই
মসিনা মবম ওই মীথা পোনখি
মণিপুর বৃটিশ সম্রাজ্যগী
তিকেন্দ্রজিৎনা তুমুবোমদা চেনবদা
মোইবাং তোঙ্গাওনা পাউ তাক্লুনা
মায়কৈ মবি শীম্বুং থৎচিনখি।

নীংবা কাযনা হল্লক্লুনা
ফাইনখিবনি সুবেদাবদুবু
মশানা যানা ফাইনখিবনি
কাম্লদ্রবা পোবম খুদিংদা
খুবক্কী ঈনা লাই শাখিবনা
মীথা পোনবা তাখি মণিপুর।

চহী চনী মীথা পোল্লুবগী মবম
লোম্নবী মচাগী শবৌনি খঙনৈ
নিংথৌ খুদিং বানী মশীং কক্তে
মচা মশেল নুংশিনদে
অপুনবগী রাখল খনবা ঙমখিদে।

নবেম্বর ৮. ২০১৩ ইং
ইবাই, অহীং অথেঙবা

চারোম্নবদগী তুরোম্নবনা ফৈ

চাবোম্নবদগী তুবোম্নবনা ফৈ
হায়নবা লৈ লাই হাক্তক্তগী
অদু ওইদুনসু তুবোম্নবদগী
হৌবকপনি চাবোম্নবদুসু।

মণিপুবনা বৃটিশকী মখা পোল্লুবা
তুবোম্নবদগী হৌবকখিবনি
লোম্নবী মচাগী উংখৎনবদগী
লৈবাক ঈবাং শাগৎলকখি
নাকপাক নাকপাক তানদুনা
নিংথৌ ফম্বাল মবা চেংখিদে।

হাগজবদা খৃৎ থাজিল্লবদি
হোৎলকপা মশানা তাবনে
লমখোপশিন্নীংদুনা লৈবম্বা
বৃটিশতা ব্লাকৎ থাঙ্গৎলুবনা
ইমুং মনুংগী ওইবা উংখৎনবদগী
মবমদুনা মণিপুব মীখা পোনখিবদুনি।

নবেম্বব ৮, ২০১৩ ইং
ইবাই, অহীং অথেঙবা

ঐসু লাউরল্লগে পেন্না

ঐসু লাউবল্লগে পেন্না
ওমখৈ কাযবা য়াবোই
মোবে শম্বল খাবা থিংউ
চীং-তম কাযনবা যাবোই
খাযদোকপবু কৌবা নত্তে, মণিপুব।

চীংনা কোয়না পনশাবা
চীংমীনা কোযনা পনঙাকপা
ইপা-ইপুনা পুল্লম্বা মবীনি
চেংনা চান্না লৈমিন্নবক্লি
চামিন্নবক্লি চীংগী ইনশাং মথেল
হৈবাং মখাল মখল কযাসু।

তমদা ফংবা ইনশাং মথেল
হৈবাম মখল কযা কযা
লান্না লান্না চামিন্নবক্লি
নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবক্লি
হৌজিকসু কাযদনা চামিন্নবি
মণিপুবগী কৈথেল খূদিংমক্তা।

নবেম্বব ৯, ২০১৩ ইং
থাংজ, অহীং অথেঙবা

ফজরবা চীংশাং পরেং

ফজববা চীংশ্যাং পবেংনা
লানবনগুম ঙাক্লি তম্পাকপু
শংবান্না ফিজোল থোল্লিবী
ঐখোযগী ইমানি, মণিপুব।

চীং-তম অনীগী ইমানি
কংলৈবাক হাযবী ইমাসে
চীংমীনা মযাম্বনি
তম্মীনা মনাওনিপানি।

মেবা থাউমৈ ঙসিসু থাল্লি
মযাম্বনা যেংলকপদা উননবা
মনাও নুংঙাইনা পাল্লি
তেক-কাযদনা হিংলি খঙনবা।

মেবা হৌচোংবা চহী খূদিং
অথেনপোৎ লান্না লান্না
অবৈ অবৈবা চামিন্নবি
তেক্ত-কাযদনা, নুংশি চান্ননা।

নবেম্বব ৯, ২০১৩ ইং
অথেঙবা অহীং

চীংগী উরে ক্বাকলৈ, য়েরুমলৈ

চীংগী উরে ক্বাকলৈ য়েকমলৈ
খোঙুলমেলৈ মেলৈ লৈন্না নোংজুমপাল
তমগী জুবাকুসুম গুলাব লৈবি মালিকা
অৱাংপা লৈতে, থাবনা ৱাংলি।

লৈবাং মখল খূদিং শাংলি
হৈবাং মখাল কয়াসু পাল্লি
চীং-তমগী অপূনবা লৈকোলনি
ইমাগী হৈকোলনি অৱাংপা লৈত্রবা।

ফজবনা তিল্লবা ইমাগী ফম্বাকনি
নীংথিবনা লৈতেংবা মপুগী মালেমনি
মসিদা পোকচবা মসিদা চাউজবা
ঐমুক লাইবক ফবী'মা লৈবন্নোইনে।

নবেম্বর ৯, ২০১৩ ইং
থাংজ, অহীং অথেঙবা

অযূক্কী চিংখৈ হুল্লকপদা

অযূক্কী চিংখৈ হুল্লকপদা
ঙঙ্ক্রোন্নবা নুমিৎ মশেক মঙালনা
লাইমতোন চীংগী চীংমায়দা যৈবদি
যেংবগী পেনবা নাইদেনে, ইমা।

নুমিদাংৱাইবমগী নুমিৎ মশেক্কা
চীংযা তময়া কোবি চেল্লকপা
চীংযাগী লৈচিল নোংফাইলক্কা
সনা অহিংবা মচু শঙলিবা।

অঙনবা অযূক্কা চেক্লা কয়ানা
মাযকৈ তবাদা পাইনখ্রিবা
নুমিদাংৱাই মতমদুদনা
মকোল মাযকৈ পাংনবক্লিবা।

পূম্নমক মপুই খূৎশেমনি
তাইবঙ ওইবা মতৌ ফজবা
মণিপুরগী চীং তমগী মশক্লি
অযূক নুংথিলগী শক্তমনি, ইমাগী।

নবেম্বর ৯, ২০১৩ ইং
থাংজ, অথেঙবা অহীং

চিংজিন ফৌনানা ইপোম হৌরি

চিংজিন ফৌনানা ইপোম হৌবি
পোইনুদা সনা মচুগী ফৌনা
ফৌনাবক্তা লুকক্না হাইথবি
অন্নাৎপা লৈত্রবী ইমানি, ঐখোযগী।

লোক্তাক পাৎকী অকোয়বদা
ঙাগী ঙাবম মখল কয়া ফংলি
হৈকক যেল্লি থবোমবী থাবিকথা
ঙম্নমক ইনশাংনি, লনগৈনি।

চীংদা যেংসি উচিনা থাংসিয়েন
কংলাযেন যেন মখল কযানি
য়েনবুম উশোই লাইরা ফৈজা
উশিংশানচিংবা থাবগী লোইবা নাইদে।

পূম্নমক ইমানা পীবিবনি
মচা ঐখোযগী পূক্নৈনি
রাত্ত-পাদবী ইমানি
ঐখোয়গী পোক্নফম মণিপুবসে।

নবেম্বব ৯, ২০১৩ ইং
থাংজ, অহীং অথেঙবা

শৈথাবনা ৱাৎলবা ইমাগী তম্পাক্লি

শৈথাবনা ৱাৎলবা ইমাগী তম্পাক্লি
ফজবা অফবা নুংঙাইবগী তুংনফমনি
পাংতা যেংলুই অৱাংপা লৈতবী
চীংদা যেংসি ফজবনা থল্লবা
পূক্কে-লনগে ঙাক্তনি, ঐখোযগী।

কবিবু ৱাংলি ইবৈবাকসিদা
চানবা-শেংনবা পূক্কে চোল্লি
শূনীংবা কনানা নুংঙাই যাইফবি
মণিপুবগী ওইবা লৈহাওদা তিল্লবা
অহাওবা মথেল লুকোযনা থল্লিবা।

ইমাবু থাদোক্লনা চৎচবোই ঐদি
পোকপা শিবা ইমাগী ফম্বাক্তা
ইমাগীদমক হিংজগে
ইমাগীদমক শিজগেনে
পীনবিযু ঙমজবা, নীংবা থুংজবা।

নবেম্বব ৯, ২০১৩ ইং
থাংজ, অথেঙবা অহীং

চীংয়াগী য়াইপল

চীংয়াগী য়াইপল
কৈবুলগী লোক্রে
মমিং চৎলি মথেল লুকোযদা
পূম্নমক ইমানা পীনবিবা ঙাক্তনি
শাংলৌ মথেল মহাও লৈববা।

পাৎযাগী কোনপ্রেক, কোন্নমনি
পূম্নমক শিংজু ময়াননি
উৎসব মেলাগী মহাও লৈববা
রাংপা যাদ্রবা মথেল অমগী
প্রকৃতিনা পীনবিবিবা
অরাংপা লৈত্রবা ইমাগী তম্পাক্নি।

অনৌবা নত্তে মসি পূম্নমকসে
মৈহৌবোন্দগী ফংলকইবা ঙাক্তনি
হৌজিকসু অসুম মফংলিনে
লৈত-লাযবগী পূক্কৈনি
ইমানা পীবিবা মচাগী ননগৈনি।

নবেম্বর ০, ২০১৩ ইং
থাংজ, অথেঙবা অহীং

শীৎলিবা মতমগী নোংলৈ অকনবা

শীৎলিবা মতমগী নোংলৈ অকনবা
মসিমতংগা নেমখ্রবদি ঙসি
ইমাগী তম্বাকসে তশেংনা
ঈং-চীক্লা পানবা হাযবদো, ওইবনিদা।

পৃথিবীদা অনীশুবা স্বর্গ হাযবদো
মণিপুবনা ওইবনিযে শোযদনা
নোংলৈসিনদি যাম্নমক্কী
ঈংনা-চীক্লা মবা-তপ্পা
তাইবঙ খোন্না হৌবক্লিদা।

মীওইবনা ৱাখল খন্থববদি
কবিগীসু ঙম্লোই লেপহনখিবা
ফনা কনবা নোংলৈসু ওইসনু
মবাইনা লেপচখিগনিদা
মতম লোইবদুনা মাগীসু।

নবেম্বর ৯, ২০১৩ ইং
থাংজ, অথেঙবা অহীং

থৌদু নূংদা নেৎপদা

থৌদু নূংদা নেৎপদা
খোঙ্গুল তাবা লাইনিংথৌ
লাইগী শক্তি লৈবনি
ঐখোযগী ইনিংথৌ
ভাগ্যচন্দ্র কোলোইবা।

লাইনা থাবা লাইবৈবাক
পাখঙবগী চাদা নাউদানি
মণিপুবগী নিংথৌ লাইনিংথৌ
তেখাওগীদি লৈবাক্কুদা
অঙাওবা শামু ফাঙম্বা।

লাইগী শাক্তি থম্লম্বা
তেখাও নিংথৌ বাজেশ্ববগী
থাজবা মাঙহনখিদবা
শ্রীশ্রী গোবিন্দগী থৌজালসু
ফংজখি ইনিংথৌনা মফমদুদা।

নবেম্বব ৩০, ২০১৩ ইং
থাংজ, অহীং অথেঙবা

মীওইক মীচান ফবী ইমা

মীওক মীচান ফবী ইমা
নঙগী নতৌসিনা ঙসি
লাক্লে জাং-বিজাং খাযদনা
থল্লে মণিপুব তম্পাকসে।

চীং-তমগী অপূনবা মমা
ঙসিদি ওইবে ভাবত পূম্বে
জাতি খূদিংগী মযুম ওইবে
ঙসিগী মণিপুব অনৌবা মণিপুব।

লৱায় থৱায শহব খূদিং
জাতি খূদিংগী লৈফম ওইবে
খুঙ্গং লৈকায থুংনা শীল্লে
চাবৌ মৌবৌনবে ঙম্না।

অচান-মীবায নাইদবী ইমা
নাউকোনবিবে পূম্নমক নঙনা
ঙসিগী মণিপুব অনৌবা মণিপুব
জাতি পূম্বে লৈফম ওইবেনে।

ফেব্রুৱাবী ১৩, ২০১৪ ইং
শগোলশেল, নুংথিল



খাঙেম্বম ইবেতোন [illegible] জুলাই ১০, ১৯৪৭ ইংদা বিষ্ণুপুরদা পোককই। খা[illegible] গৌরচান্দ অমসুং খাঙেম্বম ওংবী তামিনী দেবী অনী[illegible] তবেংকী ইতোন তোনবী মচানুপীনি। হাওমোম কম[illegible] হংগা যুম্বানমিন্নদুনা মচানুপী অমা, মচানুপা অহুমগী মরা[illegible]।

বার্ধা যুনিভর্সিটি[illegible] রাষ্ট্রভাষা রত্ন (হিন্দী) লোইশিন্নবা মতুংদা গুরাহা[illegible]ভর্সিটিদগী ইং ১৯৭০ দা বি এ পাস তৌরগা কানপুর [illegible]টিদগী ইং ১৯৭২ দা এম এ [illegible] লোইশিন্নগা মণি[illegible] অমুকসু এম এ (হিন্দী) লো[illegible]নখি। [illegible] হিন্দী শিক্ষণ পারঙ্গত, আগ্রা যু[illegible] লোইশিনখি। বিষ্ণুপুর [illegible] ইং ২০০৫গী জুলাইদগী থবক[illegible] বিষ্ণুপুর বার্মনম্বর-[illegible]দা লৈরি।

হায় স্কুল [illegible]বগী লমদসু ইং ১৯৬৩ দা ইন্টর স্কু[illegible] স্পোর্টস মীট, কে[illegible]দা এথলেটিক ইভে[illegible] অমদি টীম ইভেন্ট থবদা শকক যা[illegible] ভোল্লিবোলগী টীমনা মনা ফংলকপদা যাওরক[illegible] ইং ১৯৬০ দা স্টেট লেভেল স্কুলস [illegible] মীটতা শোট পুটতা ফর্স্ট প্রাইজ ফংখি।

ইগজেক্যুটি[illegible] মেম্বর, লৈকোল, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, [illegible]ষ্ণুপুর মশাগী চেফোঙ ঈশিং চাইবী গী ই[illegible]০০৭ কী এদিটরগী থৌ পুরকখি। ইং ২০০[illegible]০১০ ফাওবগী ভাইস প্রসিডেন্টকী থৌসু পুরম্মী। ইং ২০০৯ দগী [illegible]সকী প্রসিডে[illegible] থৌসু পুরকখি। ইং ২০১১ দগী শৈপান[illegible]সিডেন্টকী থৌ পুবি।

কলম, রাইটর্স [illegible] নম্বোল, ইমাখোলগীসু [illegible] মেম্ব[illegible]ওল মণিপুর মীদিয়া [illegible]ইটর্স এন্দ কলমনিষ্ট [illegible]নগী ইগজেক্যুটিভ কমিটি[illegible]পুরী শোর্ট ষ্টোরি [illegible]ইটি, ইন্দিয়াগী মে[illegible]।

[illegible]নাশিং—

১ [illegible] অম্বেদকর ফেল্লো[illegible]শিপ এৱার্দ, ২০০৫, ন্যু দিল্লী

২ [illegible] সাবিত্রী ফুলে ফেল্লোশিপ এৱার্দ, ২০০৬, ন্যু দি[illegible]

৩ মহা[illegible]জ্যোতিরবা ফুলে ফেল্লোশিপ সম্মান, ২০০৭, ন্যু [illegible]

৪ ভারত র[illegible]সাহেব[illegible] বি আর অম্বেদকর নেসনেল এ[illegible]র্দ, [illegible]৯, ন্যু দিল্লী

ফোঙ[illegible]বা লাইরিকশিং—

১ *ইচেম্মা* (শৈরেং, ২০০[illegible])

২ *নির্মলা* (হিন্দীদগী হন্দো[illegible]পা উপন্যাস, ২০০৪)

৩ *অহীংগী ঈশৈ* (হিন্দীদগী [illegible]ন্দোকপা উপন্যাস, ২০০৪)

৪ *লৈরোন শাৎলে* (সোনে[illegible] সিক্কেল, ২০০৫)

৫ *কুন্দো পরেংগী হক* (ৱারী[illegible]চা, ২০০৫)

৬ *লাংবন তপর্নন* (সো[illegible]সিক্কেল, ২০০৫)

৭ *পোলোইদুগী বাংমদা* ([illegible]নেট সিক্কেল, ২০০৬)

৮ *ভারতকী খোমগৎপা ফুঙ্গা[illegible]রীশিং* (ফুঙ্গাৱারী, ২০০৭)

৯ *ভারতকী খোমজিনবা ফুঙ্গা[illegible]বীশিং* (ফুঙ্গাৱারী, ২০০৭)

১০ *হৃদয় পাঁখুরিয়োংমেং* (হি[illegible]দা হন্দোকপা দ্রামা, ২০০৭)

১১ *থম্মোয় নঙ নুং ওল্লো* ([illegible]রং, ২০০৮)

১২ *এসিয়াগী অনৌবা ৱারীশি*[illegible] হন্দোকপা ৱারীমচা, ২০০৮)

১৩ *হে হৃদয়* (হিন্দীদা হন্দোক[illegible]ামা, ২০০৯)

১৪ *নোংদোন খেৎনা পাইরিবা* [illegible] (ঈশৈ মযেক, ২০১০)

১৯ *হত্রং শাম্নরোয় অমসুং অ*[illegible] (হন্দোকপা ৱারীমচা, [illegible]০)